ꯅꯨꯄꯤ ꯂꯥꯟꯗꯥ ꯊꯧꯅꯥ ꯐꯕꯤꯁꯤꯡ

নুপী লান্দা থৌনা ফবীশিং



ফোংজবা:- লম্লাই এরিয়া নুপী মরুপ

নুপী লান্দা থৌনাফবীশিং

ইংকুমজা ১৯৩৯গী নুপী লান্দা
অহকপা থৌদাং য়াদুনা
পুন্সি অম্না মৈচেম্নখিবী
মীরমলেন্দা হিংদুনা লৈরিবী

অমদি

অরোয়বা য়াহিপতা য়াতাপ্নরবী
নখোয়গী থৌনা লিংজেনবু
ওসিগী মীরোল এখোয়না
ইকায় খুম্নবা উস্চরি ।।

ওল মনিপুর নুপী মরুপ
লমলাই এরিয়া কমিতি ।

অফোংবা :

লমলাই প্রিয়া নুংশী থম্বল

মথুম লাই য়েকপা :

সিংহ পব্লিসিটি, নিউ চেক্কোন

অহানবা থুংনম :

কপি ১৫০০; ডিসেম্বর ১৯৯১

মমল : লু: ৪৫/—

[illegible]:

হাওবম প্রিন্টিং ৱর্কস., ইতম নুঙ্গোই

জনানেতা ইরাবত

(১৮৯৬—১৯৫১)



লুচিংলেন

নহক্না কন্ছরবনি

"নুপী লান্দা থৌনাফবীশিং"

জমলাই এরিয়া নুপী মরুপ।



MINISTER
(POWER/R.D. £ PANCHAYATI RAJ)
MANIPUR : IMPHAL—795001

Imphal, Dec. 3, 1991.

Message

I am glad to learn that the Lamlai Area Nupi Marup is celebrating "Nupi Lal Ningshing Thouram" on the 12th December, 1991 at Irabot Park, Lamlai and is also bringing out a Booklet on that occasion.

I wish the celebration and the publication of the Booklet all success.

Sd/—
(P. Parijat Singh)
Minister (Power/R.D.)

****

"পঞ্জনিংবা" থরদং"

মসমক্তাই এখিক্ক নুপী মরুপকী কালেন্দা শিল্পা হুইরা নোংমা ইয়াংব শ্রীঅরেন্দ্রকুমার শর্মাজীনা সম্পাদক, জারং ডিং অমসুং পঙ্কাইশ্চেই মিনিস্টরগী নুপী লান্দা লোইদাবা যাওরম্বী থৌনাফবীশিংগী রারিশি লাইরিক ওইনা থনমলি হায়মা তাকশিখিবা, মশিমক ঐগীসু পায়মজুর ওইরন। কুমসি চহিগী ১৯৯১গী ডিসেম্বর ১২দা থৌনাফবি থরদংগী পুস্তি রারিরা ওইরবস পুথোক্কসি হায়না লেপ্পরে। রায়েশপণী পুস্তি রারি ওইরবত পুথোক্কলি হায়রা লেমরে। রারেশঙ্গী শিঙ্গা ঐঙোন্দা শিন্নবিহুনা তেনগ্রবা মতমশিংদা লাইরিক পুথোক্নবগী থিজিন-নবা হৌরে। নুপী লান্দা য়াওরম্বী ইমা লুচিংবিশিং অয়াংবনা লৈখিদ্রে। লৈখিদ্রবিশিংগী মরি মখোং থিজিনবগী অরুবা লে। হুজিকী মীরোলদা ঐগী ইপুবু পোকপা কন্নি মমিং কৌই। অথংবা পংয়াম য়ামদে। ইবিবাশিদি ইতিহাসনি। মকম কয়া চত্নবা থিজিন্নবুই ফংজরকপা থরদংগী পুস্তি নাচোমনি পুথোকচরিবশি। না লংজিন খিবা চচ্চবা মতমদা ক্ষত্রি ইবোয়াইমা কৈশামপাক্তা লবা ইপা ইবুংঙো অসিদগী মমল য়াম্রবা পাওতাক কয়া লোয়ননা নুপী লানগী থৌদোকী মরমদা মুন্না থংহৌবা অহলশিনা রারেং অমগা ইবিবকখি। লান্দা থৌদাং য়ারম্বী কাংজম ওবী সনাজাওবী লৈমগী মচানুপা ক লৈখোলগী ইডিতরনসু থৌনাফবীশিংগী মরমদা রারেং ইবিরকখি। ইয়াম্বা লাঙ্গোল ইবোয়াইমনা ইমা লৈবাক্লেগী মরমদা ইবিরকপা, ইমা রজনিগী মচানুপ লোংজম্বা মীতৈ (নেতাজিনা) রাশি রাখোং কয়া শিন্নবিরকপগা লোয়ননা থৌনাফবী থরগী ফোটো ব্লোক পাবিরকপদগী লাইরিরশি ভথুবা মতমদা পুথোকচবা ঙম্লিবনি। ঐগী মরুপ মপাংশিং শ্রীমংলেমজাও, নবাকুমার, মনাওবী ইবেচা, লেম্বী অমসু, ইবেতোম্বীনচিবীনা রারেং কয়া ইরকপা অসিমকসু ঙসি ডিসেম্বর ১২,১৯৯১ নুপী লান নিংশিং থৌরমসিদা লাইরিকশি পুথোকচবা ঙমজরে।

লাইরিকশি মপুং য়াম্না থাবদি নত্তে। মৌনাকবী' থবগী য়াম্লিনি। হূপী লান্দা য়াওখিবী ইমা ইবেলশিংগী মশিং শিংদ্রবা নত্তে। মৌনাকবী কন্যাগী পূন্সি য়ারিদি খেহৌদি। অনিত্তবা শরুক্তা লৌখৎচবা ওরবা হোৎনরকে। লাইরিক অসিগী অরাল অহই য়াওবা থেংনবিরবস্মু তাকপিরকউ। হংজক্লবদা তাকপিরকপশিং অদু য়াম্রিমখৈ লান্দনবদি হোৎনজবনি। অমদাই এদিরিক্না হূপী মরূপকী খুদোল অসিবু মীয়াম্না মতমতুগী য়ারিনি নিংশিংবিদুনা 'হৈরাও ভরাম্না লৌশিনবিবদি থরুক হোৎনজক্লবগী মহৈ য়ামনে লৌজগনি।

খাইগী — চনা মুখোই
৬/১২/৯১
লমলাই।

ৱাহৈ অহানবা

মীয়ামগী ইতিহাস লেখো। অদুং অদু কাম মায়কী ৱাহৈ "মায়েকশানার কি রিয়েল রেকর্ড অফ হিষ্টোরি"। অমসুং অসিগী মীয়ামগী অমমগী অসিগী ইতিহাসকী অহোবা অংকক অমা ওইরবা থৌদোক্সিং "চুপী লান"। মণিপুরি চুপীশিংনা লৌথিবা ইতিহাসকী অহানবা থৌদাং ওইরবা চুপী লানগী ৱারি মীয়ামদা তিংমা থম্লবা থৌদোক ওইরক্লবদা অইবা রিকোর্দ সংগনা চুংগী মীহোৎপগী কুংগা ৱারি তাহনা তোকহৌদ্রে য়াই।

সমাজগী য়াওন, ইতিহাসকী খোংচং কনানসু লেপহনবা ওইখোক্কে। ইতিহাসকী থৌদাং সমাজনা খক নাম্বোকপা ঙমদে। ইতিহাসতি অইবা বিকোদনা প্রমান পীনৈ। কুংগা ৱারিনা ইতিহাস ওইবদি য়াদে।

ইং কুমজা ১৯৩৯ ডিসেম্বর ১২গী নুপী লান, অনৌবা মণিপুরি ইতিহাসকী মায়ওন লেপ্লবা চোংখোকখিবা নুচিংপুরেল হিজম ইরাবতকী পুন্সিগা থাপতোক্লবা য়াওরবা মণিপুরি নুপীশিংগী ইহৌনি।

তেল্লবা মতম থবা অসিগী ৱারি ওইনুমক খোমজিন তাশিন্দুনা ইথোকপীনবা লৈতবনা থৌদোক অসিগা মরি লৈনবা চেফোং অমতং পুথোক্লবা হোৎনবদা অরাংপা কন্নাদি লৈতবা নত্তে। কংলৈ-রোলগী মাতম্লা কান্দুনা চংপা য়াম্রাইরবা থৌদোক অসি হেক নিংশিং-লুরদা থৌনা ফবী ইমা ইবেমশিংনা শুংচেং মচি মাংদুনা সরকারগী লানমীশিংগা মায়োক্নমগদবা থৌদোক অদু ৱাখলশিনদা উংকই। নাকোংসিদসু ভারতগুম তৌই জননেতা ইরাবতকী থমোয় কায়নিং-ঙাই ওইবা শৈথাখোল, "চেং থুম্না অমতং নিজরবদা ঈ থুজোক অমা হাপ্পীরক্কে।

মতম অদু পোইন্দুগী লৌয়োক পাছা ওইহনদু কন্নবায়ঙ্গালাশিংগী মনিংতম্না থৌশিন্না চেং হৱাই, মরু মরাং পুম্নমক পৈশিন্দুনা থন্নগা য়োন্নিংবা মমলমা য়োনবা মথন্না মীয়ামদা চাবা থকপা কংদবগী অচৌবা চৈন্দু অম্না শীন্নকখি। মচা: মণ্ড, অহল অমনশিংবু পীন্না পিবক থৌ-মিংাই ঙৌলত্তবগী অহেনবা চৈথেং য়ুমপুবী নুপী কয়াগী থঙ্গা ইহথক-পালগী অমাং ইহেবগী থৌনা মাংখিদুন্না মনিপুরি নুপীশিংনা কয়বায়ঙ্গালাশ-শিংগী গুলায় থুনাইদুনা ডিহোর্দিং কেমপয়ইন চংশিনখি ১দি সরকারগী সিকাইশিংগা শিংন্নখি। অসিগুম্নবা ইতিহাসকী থৌদাং অসিবু মশুং ফানা মায়রোং য়াবা ওম্নবা অমদি মনিপুরি নুপীশিংগী থৌয়োমদা চেল্লিব। থৌনাগী ঈচেল ইনোং হাপকংনবা জননেতানা শৈশকখি।

নখোয় লাউ, য়ে,হৌরো লাউনে
নুপী কয়া লান্দা চংলিদে।
চাদঁবিবি ছুর্গ পদ্মিনি
....
....

নুপী ঐখোয়বু হায়রম্নু অবলা।
শামপোৎ ওইবীম্নু নুপীগী থরাইনা।
শেম্নাও পায়বগী তমথিবা মিতিনা।
মুনথরে ঐখোয়গী শেৎন-চানবা।

অশুক য়াম্ন। মরু ওইপ্রবা ইতিহাসকী থৌদোক অসিগী মরমদা ইবা লাইশিক ইবে লৈতবনা মম্নুংথিংন। থ,বা মী পংয়াম য়াম্না লৈতে। ভাসিগুম্না অহাংপা কয়া অসি মেনথংনবা হোৎনবদা গুল মনিপুর নুপী মরুপ, মতম অমগী মহিলা সম্মেলিনি, লমলাই এরিয়া কমিটিনা থৌদাং লৌজুনা, "নুপী লান্দা থৌনাফবীশি" হায়ব। লাইরিক মচা অমথক থৌনাফবী ঈমা ঈবেল থরগী পুন্সি রাবি ইদুনা পুথোকপা অসি য়াম্না মরুওাব। অচৌবা থৌদা অমনি নিংজৈ।

পুথোক্লিবা থবা অসিনা মপুংফাবা হায়বা মূমক নত্রবস্ থুপী লানগী ইতিহাস শেমগৎপদা অচৌবা মতেং থরদি ওইরগনি নিংঙৈ। লোয়ননা পুথোক্লিবা থবা অসি শেমদোক শাদোক্লিংবা চুমথোকনিংবা ১দি হেন্না মপুং ফাহন্নিংবা য়াওন্নবস্ নৈনফম মুমফম অমদি থয়ে থঙৈ।

লোয়ননা অসিগুম্বা লাইরিক অসি পুথোক্নবা হোৎনবদা থৌদাং লৌবিরিবা লৌবিরিবী থোইদোক হেন্দোকনা ওল মনিপুর থুপী মরুপ নমলাই এরিয়া কমিটিবু থাগৎচনিংবা ফাওঙৈ ১দি লাইরিক অসি মনিপুর ইতিহাসকী মচাক অমা ওইরিবা থুপী লানগী মরিদা অমদি লান্দুদা থৌদাং য়াথিবী হিংলিবী অমদি লাইওইরবী থরগী মশক তাকপদা অচৌবা কান্নবা অমা থুন্নাই অসিগী মীয়ামদা পীবা ঙম্বা ওইরসনু। থোইদোক হেন্দোক্না থৌনাফবী মনিপুরি চয়রাশিংগী মীৎচং মিংলেন মুংনাইদনা লৈহৌরগনি নিংঙৈ।

শ্রীমংলেমজাও কারাম
লৈমথোং মপান।

ডিসেম্বর ৭,১৯৯১ ইং

থাগৎ ৱাহৈ

লমলাই এরিয়া নুপী মরুপনা লাইরিকশি পুথোক্লবা হোৎনবদা থৌনা লৌশিংগী, শেলগী তেংবাং পিবিরকপশিংবু থোইদোক্না ইকাই খুম্নবা উৎচরি মরুওইবা শেলগী তেংবাং পিবিরকপা মীওইশিং—

থৌনাওজম ইরাবোৎ (E.E) কৈসামপাৎ
এসঃ কিরনকুমার (E.E) এলাং লৈকাই
নান্দেবম শরৎ (A.E.) জিলাশিং খোংনাংখোং

পুকচেল চাওরবা মীওইশিং অসিনা মরুওইবা শেলগী তেংবাং পীবিরকখি। লোয়ননা পণ্ডিতরাই কবুই (শণ্ডম্বুং) নিংথৌজম য়াইমা (কোংপাল) এলঃ গুলাপি (A.E.) লাইরিকয়েংবম লৈকাই, এলঃ দেবদত্তা (E.E.) এলাংলৈকাই, বোলাইচান্দ এলাংলৈকাই, অসিগুম্বা মীওইশিং অসিগী তৌবিমলগু কাওজরোই। মরুওইনা লাইরিকশি পুথোক্লবা হোৎনবদা লৈবাকশিংগী শক্লাইরবা অইবা চানা লুখোইনা ৱাবিখিবা, লাইরিকশি পুথোকপগী মরুওইবা থৌদাং লৌখিবী এরিয়া নুপী মরুপকী কনভেনর ওইনাম ওংবী লেম্বী, শণ্ডম্বুং কবুই খুন্জাওগী ওজা লনজিকপু, ইচে তোম্বী, নুঙোইগী ইচে ইবেমল শৈজাংগী ইবেতোম্বী, ভাংবী দেবী শণ্ডম্বুং থোইদোক্না ৱাবিপ্পিবা ভাক্তনি। লোয়ননা ইতম নুঙোইদা লৈবা হাওবম প্রিন্টিং ৱর্কস.কী শিনমীশিং অমদি মেনেজরনা লাইরিক অসিবু থুনা হকচাং য়াওনা নম্বিখিবগীদমকগু কাওজরোয়।

পুন্নমক্কী মতেংদগী ওসিদি লাইরিকশি মীয়ামগী মাংদা পুথোকচরে। লমলাই এরিয়া নুপী মরুপকী মায়কৈদগী পুন্নমকপু থাগৎচরি।

থাংজম ইবেচা
সেঃ লমলাই এরিয়া নুপী মরুপ

করিদগী নুপী লানগী মৈরি চুখৎখি ?

ক্ষেত্রি ইবোয়াইমা
কৈশামপাং

শোক ১৯৩৪দা মনিপুরেশ্বর মহারাজ চুরাচান্দ সিংহজিনা সভাপতি ওইদুনা শ্রীহিজম ইরাবত সিংহ মথাক ইবুংঙোনা ভাইস প্রেসিডেন্ট ওইদুনা "নিখিল মনিপুরি হিন্দু মহাসভা" কৌবা য়ামনা মপুং ফারবা দল অমা শেমখি। দল অসি শেমখিবগী মরুওইবা উদ্দেশ্যাদি পোকপদগী অওং অনৈতনা তাহংলবা পুন্সিগী মফমদা হৌরকলবা মহৌগী অরাবা কয়াগী কুয়োমনা য়োমশিনগ্রবা ইরাবতনা মতৌ কররম্না য়োম-শিনলিবা কুয়োমশি, অসি ফাওথোক্নবা মংঙলবা মীওইপোকপু মংফাওনগদগে হায়বা রাখলতনা মপুং ওইবা নিংহন্নদবা রাখল্লোনদা তোংহুনা শ্রীযুং শ্না নাক্তা মতম পুম্বগী ওইনা থুপহুনা লৈবগা প্রজাগী য়াইকনবা অমদি শ্রীযুংকী মঙ্গল ওইননবগী নামাদা চাংয়েং কয়া মথং মথং হঙৎতুনা শ্নানাক্কগী থাগোক্কনবগীদমক ভত্তনা হোংলরক্কই। খুদম ওইনা পনবা য়াবা অমদি — বৃটিশনা পাল্লিংঙদা শ্রীযুং মহারাজ চুরাচান্দ সিংহদা শোক ১৯১৭ অহানবা জর্মন লান্দা মনিপুরনা লান্দা তেংবাংবগীদমক বৃটিশ সরকারনা সার চুরাচান্দ মহারাজদা সি, বি, ই, উপাধি পীখি। মতুংদা অমুক বৃটিশনা সার চুরাচান্দ মহারাজদা কে, সি, এস, আই, হায়বা উপাধি অমুক পীরকখি। উপাধি অসি লোক্কগা শোক ১৯৩৪ দা হল্লকপদা ইরাবতনা মরু ওইবা থৌশিনগা লোয়ননা মনিপুরদা রেলহৌঙৈদগী অমুকতা থোকখিদ্রবা মীতিল অমা লাংহুনা শ্রীযুংপু প্রজা মীয়ামনা ওকুবা শীনখি। মহৌশানা মনিপুরদদি ধর্ম্মগী ওইবা জগোইরাসনচিংবদা মীয়াম তিনবা নত্তনা অমদি করিগুম্বা ধর্ম্মগী ওইবা পুর্ববাজিনদা মীয়াম তিনবা নত্তনা পংহিন

তিন্নবমক্না । অমুবু রেলহৌজৈলশী শ্রীয়াম তিন্নক্নবহ শ্রীইরাবতকী খৌশিনদগী শ্রীযুৎপু মক্না থনিগা লোয়ননা ওক্লবা চীংমৈরোংদা অচৌবা হোজং শাদুনা মমজং ১দি থোজাওদা লফু-চু-থাংমৈ ঘট চফু খিন্নুনা ওক্লবা তিনখিবা মীয়াম অতুক য়ামবা মাংলমচংতো অমুকতা থোকখিজি হায়নৈ । খৌশিন অদুমক্তনমু শ্রীযুৎ মহারাজনা হায়নিংঙাই লৈতনা পেনরা অদুগা ইরোইননা "নিখিল মনিপুর হিন্দু মহা সভা" শেমদা শ্রীযুৎনা চাওরবা থৌদাং লৌতুনা অমমু সভাপতি ওইতুনা শোক ১৯৩৪দা শেমখি ।

শোক ১৯৩৮দা মনিপুর মহাসভা ৪শুবা চীংঙাগী অধিবেসন্দা রাজনিতিগী ওইবা য়ারেপ কয়ামুক লৌরকপদা মহাসভাসি বে-আইনী ওইবে হায়না কোর্ট দরবারনা লাওথোরকপদগী মনিপুরেশ্বর মহারাজনা প্রেসিদেন্টকী মম থাদোকখিবগা লোয়ননা মহারাজগী থৌজানগী তুংইনবশিং {কমা} মথং মথং মহাসভাদগী মপান থোক্লখি । মতম অদুদা ইরাবতনা মনিপুর মহাসভাগী ভাইস প্রেসিদেন্টনা তঙাইফদবা মওংদা প্রেসিদেন্টকী থবক পূবা হৌরকখি । অদুনা শ্রীএলাংবম তোম্পোক্লা জেনেরেল সেক্রেটরি ওইখি ।

চহি কয়াগী মমাংদনী বৃটিস অমদি নিংথৌনা মনিপুরগী প্রজাশিংদা হায়নিংঙাই লৈতনা শীংথাবদা লোইনাইররোইদবা শুলং-নৈহৎ নিতিনা নমথরমই । থুকম ওইনা থরদং পল্লবদা, (১) লৈম-নিংথৌকোন, (২) অকল-অথৌ (৩) ফিজেং-চাকচা (৪) লৈঙাক-লৈশেল (৫) ধর্ম্মদা লাইয়ুংবা ।

লৈম-নিংথৌকোনঃ—

মহা ওইরবসু অহলবু ওইরবসু নিংথৌ শাগৈ [নিংথেম্চা] বু ওই-রবদি শাথ্যা [সনাখুয়] হায়না কৌনরদা নঙনা উনবদা কোক-লোম্না থুক্লম্বা । উসব-মেলাদা মকোক্লা কম্বা । মখোয়না প্রজা মীয়াম্ অবাম্বা

হায়রনা কৌরুমই। মখোয়না কনাগুম্বী অরাবী চনু নিঙ্গোল অমসু লুহোংহুনা লৌমদা কাগোক হানবা অমদি খাংজকিদবগী হাম্বুনা তোপ-তোপ্পা পোৎলুম অমসু হাপচিনবা। মসি ঙসি ফাওবা চৎনবী অমহুন ওইনা লৈরি। মতম অমদা নিংথেম মচাগী থুজংদা মচামনাইনি হায়-দুনা মীচম ওৎপদা গুদংপদা তেংবাংই। মথংদা নিংথেম মচানা কনাগুম্বী অরাবা চনু অমদা হায়র্কেংতং মিংগে তাংখদা অতোপ্পা অমনা মসুম পামবা য়ারমদবা। অমরোমদা নিংথেমচা নিংথৌমকী মচানিঙ্গোলদি নত্তবা চনু অমা লুহোংবদা কাগোক হানবগী চৎনবী মদুগী মতুং তাবক-পদা লুপা অহুবুনা শীজমরা নত্রগা অঙাং [তাংচাং-খুরাম্ভাং] তৌবা মচা মশুনা শীজমরা নত্রগা লৈমা তাইবুংঙো মাইবুংঙো মিংশৈনবা। ঙসি ফাওবদা থরা মথৈদি ফরে অহুবু চৎনবী ওইনদি লৈরি।

অকল অথোঃ—

নিংথৌগী শক্তিনা লৈকাই অমদা কনাগুম্বা মখোনা ফবা মরিংজেন লৈবা মুক্তাদা কাংজৈদা অকনবা থবক অমদা মাংজিন হেক-থাবকপদা মাবু নমদুনা ফুদেকপা নত্রগা শ্বানাক্তা থোগন ভৌহনবা চৎনরমই। অহুগা কনাগুম্বনা থরা চাওনা চাকচা হৈজানবদা মী থবা পুনবদা নিংথৌ শেম্বা তোরে হায়দুনা চৈরাক পীরমই।

ফিজেং চাকচাঃ—

মনিপুরদা থাইনদগী হৌনা চৎনবকপা মতু ইমা নিংগোল মৌ কয়াগী হৰাওজনা অনৌবা ফি-রোন হোংবা অসি লমতা থাগী য়াওশংদা ওই-রমই, মতম অহুদা নিংথৌগী লৈম-শীজ অমদি মচা ইবেমশিংনা অপাম্বা ফি থল্লগা শেংপা ইনবা তারবদা থুরকী অয়াম্ব। নিংগোন মৌ অমত্তনা শেংপা ইনবা য়াহল্লমুদে। খুদম ওইনা হায়রবদা, দনেক হজামপান মচু ইন্নফিমতেকনা মোইরাংফিজন চনবা হজাম মপান মচু, অনদি ফনেক

অয়েক শাইখন্দ খল্লাম মচুদ। হীজময়েক লোনবা অহুগা মৈতৈনা কংমবা থিনায় অনপুর ইনবা য়াহন্নমদে। অহুগা নিংথৌগী মচা ইবেম্মশিং নত্তনা খুনগী লূপী অমত্তনা খুত্তা খুজি শিহন্নমদে।

★লৈঙাক লৈশেম★

নিংথৌগী শক্তিনা হায়নিঙায় লৈতনা চাওরিবৈদা, নিংথেম মচা অমদি নিংথৌমচা অমদি শ্রানাক্ক নকপাশিংদি নিংথৌগী অমদি লৈমাক্কী ওইবা কুশৈ কিয়োংশিংদা অকা-অকুম লোল্লাই তোংলমই। লেমনা খার্জনা থিদবা লৌচা যংলমই। খুদম ওইনা হায়রবদা শ্রা নাক্কগী খরদং থাগ্গোক্লকপদা "লৌ চাদবা" হায়বা য়াহৈ শিজিন্নরমই। সরকারনা খার্জনা থিদবা লেল্লা চাবা লৌকম কয়ামরুম লৈরমই মহুদি, ১। খোয়-পোছ ২। তলবলৌ ৩। মনালৌ ৪। ব্রহ্মত্তৌর ৫। দেবউত্তর ৬। শ্রালৌ (অউন লৌ) অসিনচিংবা অমবোমদা তেমবাল্লবা লৌকম কয়া-মরুম অমনা খাজনা থিবা ঙমদবগী নিংথৌ অমদি অঙম্বদা কংথোকপা অদুগা লেল্লা চাখিবা। মখোয়শিং অসিতম্বু নত্তনা মখম মখা কয়ামুক্কী লৈঙাক লৈশেমগী শীংথাবা ঙম্নরোইদবা কয়ামম্বু লৈরি।

খুদম ওইনা খুজং অমদি পানা পানাগী ময়াই খোকপা মকমদা "পঞ্চায়" অমমম লৈরমই। মখোয়না মীহাং মীপুনগী অচৌবা য়াখোক্কী নত্তনা মচা মত্তশিংদি বিচার তৌরমই। মখোয়গী য়ায়েন খৌদাগীদমক "লোল্লাই পাবা" (পুজিগী থবক) অমদি রিচার তৌরিবা পঞ্চায় মেম্বর-শিংগী "পাম্বোম" অমম্বুং "শমত্র" কৌবা মখোয়গী মতেং পাংবা কম খরম্বু লৈরমই। বিচার লোইরগা মেম্বর শুন্নমক বাদী-বীবাদী য়াওনা কা অমনা পুল্লা গুকা চংবা হায়রুনা কম্নগা অমুক মখোয় মশেন অচুম চুমদগী ভোট লৌনরগা মতু.দা বাদী বিবাদী অনিমক্কগী, য়াথেশেন হায়দুনা অমুক তঙাইকদনা লৌবগী চংনবী লৈরমই।

অমরোমদা, খুনংগী কাংলুপ অমত্তগী ওইবা অমদি নিংথৌগী লৈম্বাকলোন অমদি লাইনিং লাইশোন্দা থম্না তোমম্তম থাইদোকপা মকমশিংদা বায়েল কাংলোন থুগাইতবা খুন্নাওশিংদা কাংলুপকী ওইবা নিংথৌ, মন্ত্রি, সেনাপতি, পুন্নাকপা, লুপশাকপা অশিনচিংবা কমদৌ কয়ানুকপু লৈরমই। অশিগুম্বা কাংলুপকী নিজোন চহুশিং অতোপ্পা কাংলুপশিংগা চান্নৌ মৌন্নৌনরমদে ওনথোকপা মওংদা লৈরমই শিংথাহনা লোইনাইদে।

★ধর্মনা লাইথুংবা★

ঐথোয়গী লু-তাংদা মমা লৈতেগী হৌনা ইপা-ইপু পূম্নমক্না মৈত্রবাকী ওইনা নিংথৌ ওইবা অসি পাখংবগী সায়োন্নি, অমদি বিষ্ণু ভগবানমকী অংশ অমনি হায়বা য়াম্না চেংনা থাজহন্নমই। মতু মক্তুনা মরম ওইদুনা মীয়াম প্রজা পূম্নমক্না নিংথৌবু লাইগুম্না [ঈশ্বর মকুম্না] খুরুম্নরমই। খুদম ওইনা হায়রবদা মরাইবক থিরবা থিরবী অনাবা লাইকোকপা ভমত্রবা কয়ামরুমস্থ শ্রীবুংনা কৃপা তৌবিহুন। শাখোংনা অমুক্তং নেংপীরবদি লাইকোকাদা হায়না নিংনরমই অমসুং থাজহন্নমই। অদুগা অহনলমন কয়ানা ব্রাহ্মণতবু ওইরবা অমদি নিংথমচাতবু ওইরবদি মকম পূম্নমক্না উন্নবা মতমদা খুরুম্নরমই।

অমরোমদা, ধর্মগী মিংদা, খুন্নকী অহন লমনগী কমেন কক্না ব্রাহ্মন অমদি নিংথৌমচা, নিংথেম-মচাতনা কম্বা য়াহন্নমই, অদুগা অতৈ মী-তোপপুনা কক নত্রগা কান থাদুনা মাংশোক্না কম্নরমই। অদুগা চৌংমী অমদি পাওনবুনা গুমাং অমদি শংলায়দা কনহন্নমই। মখোয়না চংবগা ঈশিংমা চামথোক্লগা ফিদাদু লৌশিন্নমই। মখোয়না কবিগুম্বদা পিরম্বা পৈশা কাওবা ঈশিংপা চামথোক্লগা লৌশিন্নলমই। চাকতা হৈজানবদা মুন্নাক অমগা শাদৈ অমগা কবিগুম্বা শোক্করবদি মাংই হায়না চাবা তোক্নরমই।

অহুংগা শাগৈ অচৌবশু ওইসনু তুমমন নত্রগা লুপ্তাকী লৌকনবনি মরাম্না মথুম্ভগী ঈশিং ফাওবা লৌবুনা থক্লমদে। সমাজদগী থরা তোম্বরা চহু নিঙোল হায়রবদি "লোয়" চন্থ লৌরবদী মাবুন্থ মরাম্না তিন্নরমদে। কল্লিত্তবদ। শাগৈগী য়েক অমত্তি শাইলুক তিন্নবা লৌক্রবদী ময়ামদগী তোঞ্জাম্না "হাওজোংবন" দা লৈহনমই। অহুগা অমরোমদা, চৈংমীগা তম্মীগা অক্তকী মতিক খেংন্না লৈহললমই মহুদি চৈংমী হূপী অমত্তা তম্মীনা লৌবা য়াহললমদে। থুদম ওইনা হায়রবদা কল্লিত্তবদা চৈংমী তম্মী অনিনা খংনবদা চৈংমীত্থুনা মতিম্না শীংচিনগনীদ। হায়রবদা মৈত্রবাক থাদোক্লুনা তেখাওদা ময়াং লৈবাক্তা অমদি ব্রহ্মাদেশতা চেন্দুনা লোং-নরমই। অহুগা ধর্ম্মগী মিংদা নিংথৌনা চায় থাহুনা লাইবক্তা চন্দন থিনবা ফাওবা চন্দন শেনখাই অমদি শেস্তেক লৌরমই।

শোক ১৯৩৫ হৌরকপদা ইরাবতকী "থৌশিলনা" "সমাজ সুধার"গী **(Social Seform)** থৌশিন্দা বৃটিশকী শক্তিসু য়াংলিঙৈ, নিংথৌগী শক্তিসু মতিক চানা য়াংলিঙৈদা চৈংমী তম্মী চিংনা চান্নরা মল্লি লৈনবা ফোংদোকপা ওইনা নোংচুপ চীংশাংগী চৈংমী নিংথৌ পুম্নমক নিংথৌ-রোন কয়াগী মতমদগী লৈনরকপা মল্লি তংনদনবা অথেনপোৎ কয়াগা লোইননা হুমিং থরানি তম্পাক্তা কুম্নক্লুনা হরাও তয়াম্বগা লোইননা কপা সংসকৃতি কয়ামুক পাংথোক্লুনা শ্রীযুৎ মহারাজবু মবুক পেনহনখি।

শোক ১৯৩৮ দা মনিপুর মহাসভাগী ৪শুবা চৈংঙাগী অধিবেসন্দা সমাজ সংস্কার অমদি রাজনিতিগী রায়েন কয়ামুক মত অমত্তা ওইনা লোৎকপদা মহাসভা অসি রাজনিতি দল অমা ওইরবনিনা সরকারগী কর্ম্মচারী অমত্তা য়াওবা অমদি তিন্নবা য়াত্রে হায়রনা দরবারনা হুকুম থোকপরগীদি মথং মথং তোক্লখিবা অমদি থাপতোক্লবা হৌরকখি।

তৌইগুবসুং মনিপুর মহাসভাদা শ্রীযুৎমক য়াওনা শোক ১৯৩৮ গী মমাংদা য়াম্না শক্তি শালী (মপাঙল কনবা) লীচিংগী মথাদা সমাজগী

মহুংদা নিংথৌন। অমদি শ্রীগুংপা পান্না-অহুম মথৌ কয়াগী চীংয়োলগী অমত্তি মীওই মীনৈ অমত্তুং ময়ম তাবা তৌওই কয়াগী শুগুংশিং শিংনে থাঙ্কা লোইমাইহনবা। কয়াবু শেমশোন্ন শেংদোক তৌরকপদা অত্রাজগী থাদোক্রকপা পোম্বীনা নিংতম্না পাইরবগুম প্রজাগী সহযোগী লৌরম্বনা অকি-অথং য়াওদনা থেংনহনা শাংথোক্রকখি। অদুগা মহুং অমুক শোক ১৯৩৮ চৌংগী মীফমনা তাম্বা রারেপদা অমুক প্রজা মী-য়ামগী মথৌ শংখি।

ইরাবতনা নিখিল মনিপুরি মহাসভাগী ভাইস প্রেসিডেন্ট ওইনা থবক পূবা হৌরকপদা আসামগী ডিগবোইগী থাও কম্পানিগী শিনমী-শিংগী থুংগুমন ধর্মঘট (ষ্ট্রাইক) তা সোলিদরিটি উৎপগী রারেপ ফাওবা থাখি। মতম অদুদা মনিপুরদা রাজনিতিগী চেতনা লৈত্রি।

অদুমনদি ওইরবদা মহাসভাগী মহুংদা লুচিংবা অয়ান্বদি গুবিধা-বাদিগী শক্রুপ অমদি শাজং চৎপা য়াওরকখি। অদুগা মশিংশুলনা মরুওইনা শোক ১৯৩৮গী অরোয়বা শরুকতগীদি কার্য্যকারি কমিটী মপুং ফানা কুপা ওমখিত্রে।

ইরাবতকী সংগঠনিক শকতিবু থেংনবদি ওমদবা অদুগা থবককী মনাদি পামজবা মশাগী লুচিংবা শক্তিদি লৈজদবা কয়ানা ১৯৩৮গী মীয়ামগী চেং থাবা থিংনবা অন্দোলন অমদি মীরৈবাকী পোৎ লৈদবগী ইহৌদা ময়েক শেংনা তোথাই তারে। ইবোইননা শোক ১৯৩৯ গী ডিসেম্বরগী লুপী লায়। শ শিনি। থুদম ওইনা হায়রবদা অপোম নিতি পামদবা ইরাবতকী তু ইনব। কাংবু অমশুং অপোম নিতি পাবা কাংবু অসিনি।

★ ইরাবত জেলদা লৈবা ★

শোক ১৯৪০দা ইরাবতনা জেলদা লৈরে। মতম থরা মনিপুরগী

জেলদা লৈরবগী শ্রীহট্ট জেলদা জিলা 'থাম্রিজ তৌখ্রে' । 'আনা লৈবা মচমদা ভারতকী মরুব কয়ানুবগী বিপ্লবি' নেতা (রিভৌলুসনারি লিদর) কয়াগা শ্রীহট্ট জেলদা লৈমিন্নহনা পুন্সিগী মাঙি কয়াকম শাম্নহনা লৈরি । মখোয়গা লোয়ননা সম্রাজ্যাবাদী, পুঞ্জিবাদী অমদি খৈরক্লগী মথাদা প্রজা মীয়ামগী লমজিং পীদুনা সুধার তৌনবা লড়াই কম্না পাংথোক্লবগী হায়িবা মখোয়না হায়, ঐখোয়না ঐখোয়গী ইরমদমদা সম্রাজ্যাবাদীবু থেংনদুনা মীয়াম্বু মুক্তি অন্দোলনদা লমজিংনবা হৌগংপদা ভাইরিবৈদে। য়েক্লবগী মথুত্তা তাহনা অরাবা তারম্নি তৌইশু-স্নমুং নহাক্কি, (ইরাবত) নংগী সংগঠনিক শক্তিনা বৃটিশ সম্রাজ্যাবাদীগী শরৌলাং থদংতুনা অমম্নুং তমথিরবা নিংথৌগী শক্তিবু নাকোইননা নম্মাংতুনা মীয়ামগী শক্তি লৈরবা মনিপুরী মহাসভা লিংখৎতুনা মরা চেংপা সংগঠন অমা লৈহল্লগা মীয়ামগী পেন্দবা অমদি শুদংপা নিত্তিবু মুক্তি কংনবা লড়াই অমবু লমজিংবনি, অদুগা ঐখোয়না পামজবা সমাজবাদী {কমিউনিজম} গী লময়ানবা অমা হাননা ওইদুনা লৈরমলে । অদুনা নহাক অসি মার্ক্সবাদ অমদি লেনিনবাদকী সংগঠনগী কর্মি অমনি হায়না ঐখোয়না থাজৈ । ব্রাকম অসি ভাবদগী ইরাবতনা ঐনা হৌরকপদগী পাম্না থরাই হকচাং য়াওনা তৌজরিব। থবক পুন্নমক মার্ক্সবাদ লেনিনবাদ ওইরবদি ঐ কমিউনিষ্ট অমনি হায়না থংজরমগে-দনা অদুনা ঐসু থরা হেন্না খ জিনকম থোকই হায়না শ্রীহট্ট জেল মঙ্গংদা মার্ক্সিজম নৈনবা হৌবগা লোয়ননা কমিউনিষ্ট ওইরম্মি । ইরাবতনা মনিপুরগী মীশিং শুাইদগী য়াম্বা অমদি চাওখৎপগী মঙান ত্তুাক্রিবা লৌমী মীয়ামগীদমক চাওখৎপগী লম্বীদা চীংখংনবগী লমজিংলী রা-থাল্লোম্না মপুং ওইথিবনা মানা শ্রীহট্র জেলদগী হেক থোরকপগা কাছাড় জিলাগী কৃষক সভাগী প্রতিনিধি অমা ওইনা ভারত পুম্বগী কৃষক সভাগী অধিবেশনা মশামক্লা য়াওহনা লৌমীগী ফিজোল শেত্তুনা মখুত্তা

থাজোল পায়রদুনা লৌমীগী জগোয় শাদুনা লৌমীগী প্‌ৰ্জিগী ঈশৈ শক্লুনা নিংতম পাওজেলখিবনি। মতম অদু প্‌ৰ্খিবীগী অনিশুবা লাল্লাও মঙ্গুমেক্লমি। মকদি নেত্র কোনাদনি। মীয়ামনু পেনখিবনি।

বৃটিশ সম্রাজ্যবাদিগী খুইদগী য়েরথদি কমিউনিজমনি, অতঙ্গা শ্রীহট্ট জেলদগী হৌনা ইরাবত কমিউনিষ্ট অমা ওইরম্লে হায়না হেক ঙংবা মক্লদা মনিপ্‌ৰ্বদা য়োরকত্রিবৈগেদগী মনিপ্‌ৰ্র সকায়মকনা মাবু য়াম্না ঙুং-শিবা শাদুনা ইবাবতপু মাংনবা থুং অনি থাত্নুনা ওইদবা প্রচার কয়ানা চৈবগী প্রচার তৌবা হৈরকখি। ধর্ম্মগী মিংদা ভাওজরিবা মনিপ্‌ৰ্রদা ইরাবততি ধর্ম্মগা যেকনবা, লাই-নিংদবা, হিংশা চংপা, মীগী ঈ থকপা, মীতু মীচা থাইদবা, হন্নু-হনা লৈবা য়াদবা অমা ওইগ্রবা হায়বদি নাস্তিক অমা ওইরবনা মাবু মনিপ্‌ৰ্র মীয়া লৈবাক্তা অমুক লা-কহনবা অমদি লৈহনবা য়াদ্রবনি, মৈত্রবাক মাংনবা তৌবা, মচিন্দা অমা হায়বা মখুংনা অমা তৌবা মপ্‌ৰ্ক্তা অমা নিংবা মী ওইরবনি, মাগা ওনশিন্নহুনা মী ভাংনবা ফাওবা ধর্ম্মনা য়াদ্রবনি হায়না কন্না শন্দো-ক্লুনা তোকঙা অমা অন্ধবিশ্বাসকী কুয়াম্না মরোল কয়ামুক কুপশিন্নবা প্রাচার তৌরকখি।

শোক ১৯৪৫দা লোইরকপদা ইরাবত মনিপুরদা থোরক্লে। মানা থোরকপগী পাও তাবদা অন্ধবিশ্বাসনা মথোল কয়ামুক কুপশিনগ্রবা কনাগুম্বদি থাঙ্গৈমক শেংনা হিংচাবগী মমায় উগ্রব্রা নত্রগা অউ-অউবা মীবু চিকপা মঙংলা হাযবত্নু য়েনা য়েংনখি। মত্নু পুম্নমক ওন্ন-তৈন-বদা মমাংদৈগী শকফমদগী-শাজংতগী ইহোং-হোংদবা অমদি মীকৌ মীবেম ব্যবহারনচিংবা অমত্ত ফাওবা হোংলকখিদে।

ইরাবতনা লৈররবদা; মাগা হায়া তিররকখিবা মরুপ মপাংশিং অমদি মহাসভাগী কর্মি অমমি লুচিংবশিং মথং মথং মতম মতুংদা চত্থ্রনা উনবা চংখি। মতম পুন্নমক্তা লাইরেম কহ্নাই, লোমজম বীজয়, কেত্রি ইবোয়াইমা ৩ গা লোয়নননা চংখি। অমরোমদা মনিপুরগী মপান্দা লাইরিক তম্লীবা ছাত্রশিংগা মতম পুন্নমক্তা লোয়-নহনা ছাত্র নহারোনন্দা পেংনরীবা অরাবা সমাস্যা কয়ামরুম কোক্নবা মরা-চেংপা সংগঠন শাগংনবা তানৈ।

অমরোমদা, মাগা তিররবা কর্মি কয়াগা তাম্নহনা কাংথুন থং-দনা শিথপ্রবা মহাসভা, প্রজা সংঘ, প্রাজা সম্মেলনগী, মহিলা সম্মেল-নবু অমুক হন্না হিংগংনবা অতং অথম লৈতনা হোংনখি।

ইরাবত অমদি মহিলা সম্মেলনি

শোক ১৯৪০ দা প্রজাগী চাক তাংবগী ইহৌরকী মতুংদা মনিপুরগী মমিং চংলবী ইমা ইবেল, থৌনা ফবী কয়ানা পুন্দুনা মুপীশিংতগী ওইবা দল অমা শেমগদবনি হায়না য়ানদুনা মত অমত্তা ওইনা "মনিপুর মহিলা সম্মেলনী" কৌবা সংস্থান অমা শেমখি । অদুবু ইরাবতনা লৈখিদবগা লোয়নননা দলশিংগী লমজিং পাওতাক পীবিনবা লৈতবদগী মচোয় মচোয় তানখি। অমসুং মহৈ মহৈ কাইনখিরগুম তৌখি। অদুম ওইনমক শোক ১৯৪৫ দা মানা জেলদগী থোরক্লবা মতমদা মী-পুম থুদিংমক্তা মাবু হরাও তয়ামনা রাদি রাতাই শানদুনা হৌখিবা অরাবা থৌদোক রাথোক কয়ামরুমগী পাওদম রাদি শানৈ। পুন্নমকী রাদি তারবা অমদি রাদি শানবগা ইরোইননা ঐথোয় মশেল পুনসি-মবগী মতুত্তা নাইতোম-নাইতোম তানবনা ঐথোয়গী অশোয়বা কয়া-মুক চমথোকনবা ভুমদবা থৌওং কয়ামুকী মরমদা নিংশিংনখি।

রাকতনা, লৌতিক্তি মৌশিবা খৌঅোক-রাখোক পুন্নকনা মর-শিং ওইরুনা ঐরোয়না তৌগদবা অমদি পাংখোকনবা পুন্নমক পুর্দির-পুরা অমুনবা রাখক্ষোম অমগী মথাদা তোৎবা তঙাই ফদে। লৌ-শিংতি সরুল লোরম্বিবা মঙাইদি, খুনকে লেমজিন শাজিনগনবা হোৎনবগী লোয়ননা পূজিগী হিংননবা অমদি ইচং-ইচু মচৈ মশিং তম্নবা মতিক চানা মীওইবা অমগী হিংবদা চংবা মগ্নি লৈনবা পৌংচং পুন্নমক অমুক নৌনা শেমগৎ-শাগৎনম্ব তাম্বিবনি অদুগীমু মথক্তা ঐখোয় মশেনগী মরক্তা হুপা-হুপী খেংনবা লৌরিবা অমদি সমাজ অসিগী মীওং মীনৈসু কোক্নবা আইম্নচিংবা শেমদোকনব। তক্নবা য়াবা মপাঙ্গল কনবা লিংজেল মাম্নবা দলশিং শেমগৎনবা তৌবা তাই। মতুংতনা ঐখোয়গী খুয়া তুশিংপা পূন্সি পুন্নকপা ওমগনি। নত্রবদি ঐখোয় অসি মীনাইগী নাইথাং অসুম ওইবা তাম্নি।

ইরাবতন। শোক ১৯৪৭ তা, প্রজা। সংঘ, প্রজা সম্মেলনী, যুবক সংঘনচিংবা অমদি কৃষক সভাগী কমিটিশিংনা মথং-মথং চৎথরকলগা হুপী লালগী খেৌনা ফবী কয়ামকম খৌওইনা মরুক মম্মনা চংলগা তুম্বিহ অমা লেপনহুনা থিক্তম অমদি ইখোয়াইমা মম্ম মম্মনা থা-দুনা কোইহনগা কৈশামখোং তোপ লৈরক্তা, রামলালপানগী মাঙব মনাক্তী লমপাক্তা তিম্মরে। অতুদা লাকখিবশিংগী মকুংদা মথী, তোংদৌ, খোংনাং, চাওবীতোন, মজনি, পাংশোই লৈবেন, খোইনী, থুবতি, লৈবাকলৈনাচিংবী মী ১০০ রোম তিনখি। মীকম অতুদা হায়গী "মনিপুর মহিলা সম্মেলনি" অমুক নৌহৌনা শেমগৎপা হায়না মরামমক্তা লেপনখি। মথংদা কার্য্যকারি কমিটি (ৱাকিং কমিটি) শেখর থম্মকলদা সভানেত্রি ওইননবা শ্রীমতি রাহেংবম ওংবী অঙোমখোমবীবু (তোম্বৌ) প্রস্তাব তৌনমকপগা মহাক মপাম্মকনা

"ঐদি ওইজরোই ঐগী ইনাওসখিবু খইহনবীরে, অদুগা ঐদি য়াওরোই, হায়রখি" মতুং সখি, পাংশোইবা মৈরেমবা, থোইবী মুখজীয়নচিংবা-শিংনা কর্য্যকারি কমিটি শেমখ্রে "মনিপুর মহিলা সম্মেলনি" অমুক হিংগৎনবা। মাহেগা লৌতুনা মীকপ খরু চংখ্রে। সখিবু সভাপেতি অদুগা ইন্দুরেখাবু সেক্রেটরি ওইনা খনখ্রে। মেম্বর ১১ না কার্য্যকারি কমিটি খনখ্রে, মখোয় অদুদি সখি, ইন্দুরেখা, থোইবী, পাংশোয় মৈরেন মুখজি, ললীতা, ইবেম্মাইমা {কিরনমালা}, ইবেতোন, অপাবী অগনি অমসুং অমু অসিনি।

মতৌ করম্না মহিলা সম্মেলনি হিংগৎলকখি

মীওং মীনৈ কয়াগী মপোকপা লৈরকপা মনিপুরগী মুপী সমাজদা মপান থোক্না মীয়াং থানা মহৈ মশিং খাইরিক লাইওংতনা ভময়-প্রক্রুবা অমদি ইমুংদা ক্লিশা লোনশা থরা তৌবা নত্তনা ময়ুম পানক্লিনবা অমদি মচা মগু পোক্লনা শিবা ভাইদুনা লেনবা পদ্ধি মরেন নত্তনা শুকৈদ লৈতে হায়বা হায়মনক্রা থোক্লোই।

তুংগী পোমিংবা খণ্ডবা অহল-লমন কয়াগী মচাশিং খরা লাইরিক তমখ্রুনা লাক্রুবা মিৎশিং য়াশিংবী খরদি অহল-লমন অমদি মবুং-মৌপব-শিংনা খাদোক্লুনা "মনিপুর মহিলা সম্মেলনি"গী হিংগৎনবগীদমক কন্না প্রচার তৌবা কোইনা চংশা হৌরকখি। মরু ওইনা মনিপুরগী কৈথেলশিং হায়বদি শীংজমৈ, কোংবা, লিলোং, ঙৌবাল, য়াংজিং, খোংজোম অমদি ককচিং বজারনচিংবদা কৈথেল তিনখৎলরকপা মতমদনি। মখংদা খাইরম্বন্দ, লমলোং, অমদি লমলাই বজারদনি। অমুক মথংদা লমশাং কৈথেল, মখংদা অমুক য়াইরিপোক বজারদা অদুগা হিয়াংথাং বজার, নম্বোল বজার, বিষ্ণুপুর, ৱাংথোইখোং অমসুং মো-ইরাংদনি। মতম অহুদা মুপী লাকপু উহৌবা অমদি য়াওরুবা অমম্না

ইরাবতপু হুংশিন্না কয়ানা হয়াও হয়াও ক্রৌখিরকপগী ঋাওই অনুগা কনাহুৰখি য়াম্না খাওঙ্গা ক্রৌরকপা, মহুনা অখি তাওইননা ক্রৌরক-পুম্নু য়াওবা নত্তে।

অম্যুম্না তঙ্গনা চংথরকপদা ঙমলাই ৰজ্যুরুনা অনিরকম্বা ওইনা লাকপদা হায়না পাওনিলখোম ডানখিবদা লোয়নবা ইরাবতপু হুংশিবা অমদি হুপী লাঙ্গদা য়াওবকপা খৌনা কবি অমদি মহাসভাগী মেম্বর ওইরম্বা মীওই কয়ানা অখেলপোংকা কোয়না ওকপিরমই। ময়েখায়-শিংহুগী মনুংদা চানা থুনগী ওইনাম শঙ্গাই, নোংজেগী কয়াইমচানা চিংবা অত্থুগা হুপীদনা কমেং জাতি অমদি অপানবী (কবুই) ময়েখায়-না চিংবীশিংগা উনহুনা মথং হুখিং অমুক উনহুনা "মনিপুর মহিলা সম্মেলনি" গী মপু কাবা কমিটি অমা শেম্বগা লোয়নননা কমেং জাতিবু সভানেত্রি ওইনা খনখি। অম্যুম্না মথং মথং কমিটাদগী এক্রিয়া কমিটি কাওবা মম্বা চেংনা শেম্বা ঙমখি। অম্যুম্না মহিলা সম্মেলনিগী মপাঙ্গল কনখংলকপা অমম্লোমদা মনিপুর কৃষক সভাগী মপাঙ্গলসু হায়বিংঙাই লৈতনা কনখংলকপগা লোয়ননা লৌমীগী অন্দোলনা হায়বদি পাং জঙ্গল জিকাম ককথংনবা, লৌ-শংগা খিংনবা অমদি লৌশান অন্দোলনদা পুংশয়না য়াম্না মায় পাকৌ চংথবা হৌরকখি।

অম্যুম্না কিষক সভাগী অমদি মহিলা সম্মেলনিগী এক্রিয়া কমিটি মাইকৈ থংনা লৈরকপগা লোয়ননা মথং-মথং পুন্না পুম্না থুংশয়রব মতমদা শোক ১৯৪৮ গী সেপ্টেম্বর তাং ২১ দা নরান-বাবু শিখিব লোয়ননা মহিলা সম্মেলিনি অমদি কৃষক সভাবু অঙকপা ফংনা ময়থর ক্লবদা অহুয়ান অমদি নহারোল কয়ানা থাংবা ঙমদদ্না অন্দ্র-গ্রাউন্দ চংনরুবদা মনিপুর মহিলা সম্মেলিনিগী সংগঠনগী মতেংনা মতম পুম্নমক্ক লেক্লবগী মথুক্তা তাহনখিদে।

শোক ১৯৫০-৫১ খ। চাক তাংথ। অমদি হরাম তিন্থিনা অরাবা ইম্বুং ২০০ শগী হেনবা তেকচম অমদি খোংজোম খুনগী প্রজাশিং মনিপুর মহিলা সম্মেলিনিগী য়ারেপ মথাদা হরাশাড়ীনা লৌথুনা লমজাই বজার মনাক্তা লৈবগা থা ৩ জোম মুক্তি ভিক্ষাতনা থাম্লুনা অরাবা তেংবাংনখি। মঙুগীদমক মনিপুর মহিলা সম্মেলিনি অমদি কিষক সভা অমম্মুং কিষান ভোলুনটিয়ারশিংগী থৌনা লিংজেলবু ঙসি কাওবা কাওনগ্রি। মতম অদুগী অরা অনা তারবা প্রজাশিংগীদমক মনিপুর সরকারমক্লগী মাইয়োং য়াবিখিদে। মতুদা য়াওখিবা মীওই হৌজিক কাওবা হিংদূনা লৈরবস্মু য়াই, তৌইগুরম্মুং থৌওং অদু অন্ধবিশ্বাসকী কৃয়োমগী ময়োল থানা কুপথিবনা কমিউনিষ্টকি থবকননি হায়না শিং-থানবীদবনা অকাওবগী লৈয়োল চমপ্রবনি।

খাংচেৎ মচি লাং
তেম খুত্তা পায়রুনা
লাহেংনখিবী

"কমেং জাতি"

ঐনা রারেং অসি ইমা জাতিগা লুনা তিম্নরবা ঐগী অপোকপা অহল খাইদেম নিমাই মীতৈগী মফমদগী রাম্নি রাখোং হংজরগা ইজবনি। ইমা জাতি হায়রগা খংনবা থৌনাফবী অসিনা হিংলিবৈদা চৈত্ত অমা পায়রুনা তত্তনা ঐগী ইপামগী য়ুম সেক্কাদা ফিভাং শেংপগা লোয়ননা লাকই। অহল লমনশিং অসিনা মেয়া থাবুংগী চাকলেন কংপহু ঐহাক্না অভাং ওইরিবৈদা য়াওজরকই। অসিদি ঐনা রারেংশি অপোকপা অহলগী থৌজালদগী ইজরে। রারেংশিনা ইমা জাতিগী পুন্সি রারিদা মপুং ফাবদি নত্তে। ঐগীসিদি খংজহৌবা তাজহৌবা থরদংনি।

ওইনাম ওংবী লেম্নি
চমা

সভানেত্রি কমেং জাতি

কমেং ইমফালদগী কিলো মিটর ১৮ লোম চংলগা উত্তর্ল লম্বিগী নোংপোক থংবদা কমেং-খুল লৈ। খুঙ্গং অসি ঙসিদগী চহি ৫০ মোমগী মমাংদদি য়ুং-য়ুং লাওনা মপুং মরৈ কানা লৈরম্মী। য়ুম পংয়াম য়াম্না তাদে। অপিকপা খুঙ্গং অমা ওইনা লৈরে। খুঙ্গং অসি হেক পল্লকপদা মাইচৌ ৭কী মঙ্গংদা অমা ওইখিবা কমেং ফদিবা নিংশিংঙি। লোয়ননা মুপী লান্দা থৌদাং হক্লা য়াখিবি জাতিবু নিংশিংলকই। জাতিগী মমীং পনবদা কমেং য়াওত্রবদি মপুং ফাদবগুম তৌই। কমেং জাতি হায়রগা লমদমসিগী মীওইশিংনা মুপী লানগী থৌদোক, শওমুংগী মাঙন থ্গাইবা, য়াইঙংপোকপীগী দুকান ময়াম চাইথাইবা মথং-মথং নিংশিংলকপগা লোয়ননা কমেং খুঙ্গংদা ময়ামগী লুচিংবা ইরাবতনা লেংবীরক্লগা লৌমী মীয়ামদা হায়বিরম্ব। রাহৈ করা ইনৌ নৌনা ঙসি নিংশিংলকই। কৈরোইজম কহ্নাইমচাগী অঙাংবা মচুমী ফিরোল, খুত্তা পায়বা অঙাংবা ফিরালগী য়োংকী চৈথোক মিত্তা শং শংনা উরি। নিংশিংলকপা থৌদোকশিংগী মঙ্গংদা লমলাই কৈথেলদা লৈবম্বা পিঃ ডবলজিয়ুঃ ডিঃ গী রোড মোহোস্রিগী অপিকপা অফিসতু লৌমী মীয়াম ঐথোয়গী শংলেন ওইরনি হায়দুনা অঙাংবা কিরাল হাইগংথিবা মতমদুদা সরকারগী কর্ম্মচারিশিংগা কহ্নাইমচাগী কাংবুপা ইম কাওনথিবা ময়ামতু ইনৌ-নৌনা নিংশিংলকই। তশেংনমক ইমা জাতি জনা নেতা ইরাবতকা খুৎশময়রবী, কহ্নাইমচাগা তিম্নজগ্রকপী ইমানি। লৌমীগী ইহৌ কয়াদা য়াওজন্নকখি। মতমতুদা নোংঙদাদা লৈবা কৈরোইজম কৃষকশিংনা তম্বীবা রাজনিতি বাপোক হায়বা শৈশক অমতু লৈরম্মী। শৈশকপীশিংদি কমেংগী খুম্বোংময়ুম

নিংঙোল তোম্বামচা উমুমপোক্তী ইবেতোন্বী, ননদাইগী খাইদেন মনা-হনবীনচীগী বীনি। মখোয়না শকপা জনা নেতানা ইবা হৌবো অয়াবা অহিংগী অমম্বা কো ক্লনা, খাওরো খাওবো মনা-কৌ, ভারত জাতিগী অপূর্বা রাশক অসিগুম্বা মখলগী শৈশকশিবু তারগা ইমা জাতিনা মমিংতগী মপী তানা কপচখি। ঐশৈ কাংলুপ অসিবু হিং-হৌনবা জাতিনা খোনা হাপ্পীরম্মী। মীয়ামগী লুচিংবা ইয়াবতনা মী-বোং ওইনা লৈরবা মতমদা ইমাগী যুমদা মতম খরা লৈরম্মী। শওম্বুংদা লৈরিবা মাগুন অসিনা লৌমী শিন্মী মরু ওইনা অয়াং নোংপোক চি-ঙৈম্মগী লমদমদা লৈরিবা প্রজাশিংদা অয়াবা পীরকপগী মতাংদা অয়াং নোংপোক চিঙৈম্মগী মুপী ময়াম হৌদুনা থেংননবগীদমক্তা থুক্কং কয়াদা চংতুনা মুপী মীয়াম খোমগংপদা জাতি মাংজিন থাবী অমা ওইখি। ইমন্বালদগী মুপী লুচিংবী কয়াবু জাতি মশামক্তা কৌরুই। খোনা ফবী রজনি, সনাজাওবী, তোন্দোলনচিংবী কয়াগা তান্নরগা নূপী মী-য়ান্না মাগুন্দা পৈরম্বা শোংশিং চৈখাইখি। নিংখৌগী মনাই অঙম অখৌশিংনা পাংচা শেনখাই পীদবং, অমিন চাকথাক পিদবা, লোম্না তেরা হেকলম্ব মীওইশিংদা দগি পিগনি হায়রুনা লাকপদা খোনা ফবী অসিনা মাঙজিল থানা চোংথোক্লুনা থেংনখি। অহোংজৈ (তিলিপতি) দা লৈবা থাওগুম কালু থুগাইনবা হোংনবদা কমেং জাতি অমম্বুং অপানবী কর্কুটনিনা পুাইম্মী মাংজিল থাবা ওইখি। খালতাবিগী অচৌবা ভুকান কয়াদা লোম্না পৈশিলম্ব চেং, হরায়, খোয়দিংনচিংবা ময়াং কয়বার রালাশিংদা শিনবা থমলমম্ব জাতিনা মাংজিন থানা চংলগা চাইথায়খি।

শোজিলচ্ছবা চৈত পাম্নহনা চংলবা মতম কাওবদা মীয়ামগী রাখল চৌলবী অমা ওইখি। মীয়ামগী ইহৌদা মহাকা লৌয়নখিবি লোই-নখিবা কয়াবু কাওজখিদে। মহাক্না হিংজিদৈগী মতমদা চহি থুদিংগী

য়েন্না খাগী খান্নুগ্না উবব অমমম পাংখোকই। অদুগুম্বা উবব অহুন্না অাঙোম্ব কাবল য়েকপ। অঙাংবা কিন্নাম হাইগংদি। চাকলেনলী উবব অহু পাংখোক্লিবগী মরমদি লৌমী শিমী মীয়ামগীরমক্তম থেংনকপা চোকখৎপা লৈখিল্লব। লোংগাপ্রবা থরায় মীক্লেনশিংবু নিংলিংদুনা পাংখোকপা। উযবনি। অসিগুম্বা হুমিৎলিন। জাতি মপামক্তা লৈখি-ল্লবশিংগী মীংলেন অহুদা লৈন্নাং লৈহৎ তম্মী। থাম্বী ঘৈন্না কথলি। অঙাংবা কিন্নাল মথোংদা লেপ্লপা মীয়ামগীদমক্তা। থেংনবদা মরৈপাক মরমদমদা পুন্সি অয়োম্নবা য়াহিপ তম্বা কংঙখিল্লব। ব্রহ্মাগী ডাংবো থুলদ। পুন্সি থোংচৎ লোমপ্রবা জনা নেত। ইন্নাবতপু কৌরগা তেংথাক্লে .... হৌরকখো, মীয়ামগী লেত্তা হৌরকখো নংনা ঐখোয়বু থাদোকপিরম্বদগী ঐখোয়বি হুদি ঙাওহৌরে অমুক্তদি হৌরকখো .... থম্মোয় শোক্লা কপচবা তেংথাখোললি তাবদা মীয়ামগী থম্মোয় কায়হনখি। ইমা জাতি থুরাই লাইরিকয়েংবন লৈকাইগী য়াল্লিবম নিংঙোলনি। কমেং খুণ্ডাঙদ। লৈবা খুম্বোংময়ুম নবক্তিপকী পুন্সি থোঙলোই ওইদুনা পুন্সি অয়োম্নবা য়াহিপ তানখি। অরাং নোংপোক চিংখেগী লমকমদা লৈরিবী খুনংগী হুপী মীয়ামদা অনৌবা থৌনাগী পাঙজেল পিরম্বী অমনি। ইমা জাতিগা লোয়ননা মীয়ামগী ঈহৌ কয়াদা মরুওইনা হুপী লান্দা থৌদাং য়ামিল্লখিবী মরুওইবী অরাং নোংপোক চীংখেগী ইমা ইবেনশিংদি লাইকংবম ওংবী য়াথেতোম্বী (কমেং) খুম্বোংময়ুম ওংবী পুজারি দেবী (কমেং) কোজম ওংবী থয়াল দেবী (চন্না) লাইশ্রম ওংবী লৈবাকলৈ দেবী (চন্না) লাইবী দেবী (শৈজাং) লাইশ্রম ওংবী তানবী (লমলাই) যুহুম ওংবী থাগোই (লমলাই) যুমথাইবম অমু দেবী {লমলাই} থাইদেম ওংবী অমুংন্না {লমলাই} অপানবী কবুইনি {শওমুং} হবাইবী দেবী পুংশোংবম কিশম জনীতা {সেক্তা} থাইদেম ওংবী থরো দেবী {সেক্তা} থামোন হাথে {য়াইঙংপোকপী} থোকচোম পুর্ণিমাশি {শৈজাং} খুমুকচম কেতুকী

[নোংগ্রেন] তখেলময়ুম নৃপিমচা [মোং-গ্রেন] মমীঃ পনবা অদুদী ইমা ইবেম-শিংনি। ★ ইমা জাতি পুলিসনা কাহুনা পুলিসকী কণ্টদিদা কয়াবক লেখি। লাইৱিক লাইশুণী মণ্ডাল ফংহৌব্রবশু মথৌনা মরিংজেলতনা মীযামগী ঈহৌ কয়া পুখৎচরম্বী, ইং কুমজা ১৯৩৯ গী মুপী লান্দা মাইরোং যাজবম্বী জাতি ভসিদগী চহি ২০ লোমগী মমাংদা মহাক্কী লৈকম কমেং থুঙ্গাওদা লৈখিত্রে।



কমেং জাতি

ইমা অসিনা লৈখিদবদা অরাং নোংপোক চিঙ্খৈগী ইমা ইবেমশিং অমদি জনা নেতাশা লোয়ননা লৈবাক্কী ঈহৌ কয়াদা য়াওমিন্নখিবা মীওইশিংনা ইমাগী মরিংজেলবু নিংশিংহুনা অরাবা ফোংদোরখি।

———

নুপী লালগী লুচিংবী
তোঙব্রম নিংঙোল শবি

— মংলেমজাও কায়াম
লৈমখোং মপাল

অনৌবা মনিপুরী ইতিহাসকী চেনানা কাম্হোক্লুনা থল্লবা য়াম্বরো-ইদবা মনিপুরী ইতিহাসকী অচোবা তাক্কক কয়াগী মতুংদা শিংথানিঙাই ওইরদবা থৌদোক হায়রগদি ইং কুমজা ১৯৩৯ গী ডিসেম্বর তাং ১২গী "নুপী লাল" নি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। থৌদোক অসিমক্তা মনিপুরী নুপীশিংগী থৌনা লিংজেল মালেমদা নৌহৈনা শক্তাকখি। ইমুং মতুংগী লৈত লায়রগী হিংবগী লানকমদতা নত্তনা লৈবাক্কী য়াইফ থৌরাংগীদমক থেংনবদসু মালেমগী অতৈ নুপী থুনাইলকতগী হেন্দোকপম নংত্রবসু হন্দবী মনিপুরী নুপী-শিংনি হায়বসি থৌদোক অদুনা প্রমান পীখি।



তোংব্রম নিঙোল শবি

ইতিহাসকার, সহিত্যকার, অশৈবা কয়াগী খোর্জৈনা ভারতকী অরাং নোংপোক চিদাইদা চিংনা কোয়না পনসাবা প্রকৃতিগী তুংনকম ওইরিবা অশংবা ফিজেংনা লৈতেংবী, স্বর্গগী নন্দন কাননগুম পুক্লিং হুনকম ওইরিবী লমদমনি হায়না শৈথাদুনা শৈশক্লরিবা লমদম অসিগী ইতিহাস শেমগংলদা মনিপুরী নুপী শিংনা লৌরকখিবা থৌদাংগী মরক্তা হেন্দাক্না শিংথানিঙাই ওইবা থৌদাংদি নুপী লানগী খো হৌ অসিনি।

নুপী লান, সোসিএল রিভোলুসনগী অচৌবা খোংহৌ অমনি। অনৌবা সৌসিএল সিষ্টেম অমগী লংজবা লম্বী অমগী লমতাক থংহৌনি। সোসিএলিষ্ট রিভোলুসনগী খোংহৌ শাগৎপা ইহৌনি। ফিউডেল মাললগী মখাইনা লম্বুক্লিরিবা সমাজ অসিদা কেপিটেলিজমগী থাম্বা হু কায়শিল্লকপা, সমাজ অসিগী লুরবা ইতিহাসকী তাংকক্ অমদা মুক্তিগী লম্বী লমতাকখিবা ইতিহাসনা পীবা থৌদাংনি "নুপী লান"।

ইতিহাসকী চেনারক্লা সনাগী কাণিনা য়েংকহৌরগদবা নুপী লালগী লমজিংখিবী লুচিংবী কয়াগী মবক্তা তোৎথিন ভান্দুনা লৈহৌ-রগদবী লুচিংবী অমনি শবি দেবী। শ্রীমতি তোংব্রম নিঙোল শবি দেবী ইং কুমজা ১৯১০ গী ওক্টোবর ১০, শগোলশেল মুমিংতা রাংথৈ নিংথেম পুখ্রি মপালদা শ্রী তোংব্রম নিংথৌখোম্বা গী মমোম ওইনা ফ জখি। অপোকপী পলেমগী কোলোয়না কুন্দাসৈ হায়না কৌই। লৈবাক অসিগী লৈতাদবা রাজনিটিগী ফম্বালথক্তা মমোম্না লোরকদবা রাজনিটিগী থৌদাং য়েংউ হায়না তম্নকমালে, শ্রী নি থৌখোম্বা মচাঙ্গপীনা চহি ৪ (মরিদং) ভায়রিংগৈদা তাইবংপান থাদোকখি। মপাবুং লৈতবা চহি ফাদনা শবি দেবী অপোকপী কাইনবগী মৈশা লাংহনখি।

লমজা ওইহৌরবী পূজিদে। (মনে লৈহাও দেবীগী) নাওয়োক খাদা পূজি লেজরকখি। অঙাং ওইরিঙৈ পুজিন, ইমুং মঙ্গংগী নোংমগী ফিভমনা য়াদবদগী, হিংনবা পুজি লালকম মায়োক্নবদা নোংমগী খুংগুমন তান্দুনা অতোম্না কনাগী মকাদা শিল্লংদুনা লেপ্লকই। অসিগুম্বা পুজিগী তাংকক্ অসিদগী হৌরদুনা থবক নোম্বদা ভেকচিন খোরজিনবী মথৌনা লৈবী ওইনা হৌরকখি। তশেংনা হায়রবদা থৌনা

লৈবী, শুকচেন লেংবী নিংহন্নবী অচুম্বীবমক কংজোকপা চবী অথাংকনবী হায়রসিন। মাগী লোকপনগী শাজোক্ককপী মরুম ওইরকখি। মরমশু অমদি মীয়ামগীদমক্তা ওইরব। থিদনা থকক তৌবা চবী ওইরকখি শন্না হায়রবদা মীয়ামগী য়াইক থৌরাংশীদমক য়াথল অদেম্মা। থৌনাদা লোয়নন। লৌখিবা মাগী থৌদাংদি শিংথাহনন্থ লোয়রক্লোইদবা পুক্লিনি।

মশাগী চহি ১৫ থক্তা ভায়রিইদো শবি লৈবী লুহোংখি, অচুম্বা নোংকম থিবা মপোক ওইরবা মহোশা, মমিত্তা মচা অমত্তা উবা ফংদনা মশাগী চহি ২৩ থক্তং ভায়রিইদো মপুরোইবা লেংলখি। নৌনা লুপ্রা ওইহৌরবী পুন্সিদো লৈত লায়রগী অন্না মৈথুরক্তা নোংমা নোংমগী অফংবনা হিংবা পন্সি ওইনা লেনহৌখি।

ইং কুমজা ১৯৩৯ গী লোয়শিল্লকপদা ব্রটিশ সম্রাজ্যবাদিগী মায়োক্তা চথরকপা ভারত নিংতম অন্দোলন কনখৎলকখি। সিভিল দিসওবিদেন্ট অমদি নন কো-ওপরেসন মুভমেন্টকী অকনবা মৈরি অমুগী মৈরিক, চীংদা কোয়না পনশাবা লমদম অসিদসু ফাওজিনলকখি। মৈরিক অদুগা ঈরোয়নন। মনিপুরি নুপীশিংনা ইতিহাসসিক ওইরবা ১৯৩৯ "নুপী লাল" হায়না খংনব। ইহৌ অসি শাগৎখি। ইহৌ অসিনা মপান লমদগী পুশিল্লকপা মীওং মীনৈগী আইন কয়াগী মায়োক্তা থৌনা ফনা থেংনহনা আই পি সিগী ধারা ১৪৪ কাওবা শিংনখি। মনিপুরগী মপান্দা চেং থাদোকপা থিংনবা চেংগী মীলশিং থিংজিনবা লন্বী থোংগী টৈক্স থিবা লেপ্পবা, ওক্ট্রোয় টেক্স পীদনবা অল সম্বন্ধীগী নমাদ। (পোংকী ঈশিংগা থোংবালগী ঈশিংগা শমনৈ হায়নুনা।) থোং-বান্দা থোয় চোপ্পা কাওবা য়াহন্দবা, চীংদগী শিং, ঈ চনবা য়াহন্দবা মীয়ামবু পোংথাং বৈকার দোলাইরেং ওইহনবা, গৌরিয়া বৈষ্ণব ধর্মা

নমবুন্দা লৌহক্লগা মতুংগী শাংদি থংবা ওইরবা ভনম থিরহন্নবা, অহংগা মবুক ভনগীদু থিরবগী শেত্তক কাংবা [চন্দনগী শেনখায়] লেপ্পুরগা খিরেলৌগা মরক্কল হায়রুনা ইহোকখা ইখোকশংগা। মখিং দৈনম। শিরগা শোংলোয়হন্নবা, শ্রাদ্ধ কর্ম শোলহন্নবা কয়া অসিগী মাংলোক্তা থেংনখি ।

অসিগুম্বা ইহৌ অসিদা য়াওরবা নিপা খুদী কয়াবু শিকাই কয়া থাজিন্দুনা মীহুংশি য়া ওসনা ফু চৈবা খোঙউপ বুথন। নেংখাইবা শজিন্না থিনবা অমদি জেলদা থমজিন্দুনা। তমখিবা চৈরাক কয়া পিখি । মসিদম্ন নতুনা মসিগী লুচিংবা কয়াগী মঙ্গল মথুম ফাওবা মতুংনা মথুম ইখোল ফাওবা লিলাম তৌখি । তশেংনা হায়রবদা লৈবাক অসি অকিবগী মশক ওইরবা লৈঙাক পথাপ অমগী মথাদা লিশাংশিংনা সাসন লিংলকখি। মসিগী ফলনা হায়ঙমজবা থুদোংথিবা কয়া লৈবাক অসিগী মীয়ামনা থেংনবদা তাখি। অসিগুম্বা থৌওং কয়া বৃটিশ সম্রাজবাদিশী মায়োক্তা, ভারতকী নীংতম ইহৌগীদমক থেংনবা হায়বসি দায়িত্ত লৈবা মীওইশিংগীদমক্তি কন্নিসু নত্তে হায়না শ্রীমতি শবি দেবীনা তৌখি।

পীক্রবা থংনাই অসিগী মশিং য়ামজদ বা নুপী থংনাইরবতগী ওইজবা থিদনা থৌনা ফনা অথাং কয়া, অপুনবা ইহৌতনা মীয়ামগী মায় পাক্কনি হায়বগী অচেংপা থাজবসা সোক্ননা নিংতম লানহৌগী ইহৌরকতা থেংনখিবী শবি দেবীগুম্বী নুপীদি অতাংবনি। থাজেশেংমা হায়রবদা মনিপুরগী নিংতম অন্দোলনগী ইতিহাসতা শবি দেবীগী মশিং য়াওদনদি মপুং ফাবা ইতিহাস ওইবা ঙমলোই।


ভারত নীংতম্ লানগী মতম্দা অকি তুকং, শিঙাম্ থইরবা অঙং অনৈবী মায়োকা লাকখুম কাওনরবা মৌনা পুন্নাকুন্না মীয়ামগীদমক থেংনখিবী, লুচিংবী অসিনু মতম অমুগী মপান লমদগী লাকপা লৈতোকপশিংনা কাক্সিন্নুনা জেলদা থা ৬ থম্লুই।

ভারতনা বৃটিশ সম্রাজ্যবাদিগী মীনাই ওইহিলং থদংদুনা ১৯৪৭কী আগষ্ট ১৫ দা নিংতম্বা ফংলবগী তুংদা ভারত সরকারনা শ্রীমতি শখি দেবীবু নিংতম লানগী রাজনিটি বন্দিনি হায়না শকথংদুনা ইকাই খুম্নবা উংদুনা মনা মথুম পিখি। অসুম্না পুন্সিগী থেংখাঙ কয়াদা নোংদম্গী তমখিবা নোংদমখোলনা কয়াবক হুম্না নৈহংপীরবী পুন্সি অসি মহাক্কী মখৌনা মরিংজেন অথাং- কনব। অমদি কংথোকপা রাখলগা লোয়নন থেংনবগী মপানতনা মনিপুরি লুপীগী খুন্নাইলক্তা তাংলবা মফম কন্দুন থম্লমলে। কংথোকপগী কম্বাঙ্গা অতিয়াগী থরান মৈরাগুম ঙানজরদুই. মৈতৈ লৈমগী ময়োম শখি ১৯৭৭ কী জানুয়ারি তাং ১ (অমা)দা তাইবং মীরমলেন থাদোকখি। লৈখিত্রবী থরায় মীরেলবু ইকাই খুম্নব। উত্তুনা ভারত কমিউনিষ্ট পারটিগী অঙাংবা কিরালনা থরায় য়াওত্রবা হকচাংদা কুপখি। পারটিগী লুচিংবা কয়ানা লৈরাং লৈহুল তমদুদা থৌনাফবী মহাক্কী থরায় মীরেলদা অয়োইবা শ্রদ্ধাঞ্জলি কংখি।

নুপী লান্দা
কবুই চনু অপামবী

চন্দা জুখোই

নিংথৌ চুরাচান্দগী মতমদা থোকখিবা নুপী লান অসি তম্পাক লমদা লৈবী মীতৈ নুপীশিংতনা হৌখিবা লানছৌ অমনি নত্তে। মৈনা ঈশিংনা চামত্নুনস্থু কোক্লুরোইদবা থৌদোক অসিদা লমদমসিদা য়েলহৌ-ঙৈদগী লৈমীরক্লুবা ফুরুপ কয়াগী চঙ্গু নিঙোলশিংস্থু থৌদাং চাওনা য়াখি। লোল ফিভেং তিন্নুরবস্থু রাথল-লোন্দি মাম্নবী লিংজেল পানবী কয়াগী অপুনবা রাশকনা থেংনখি। নিংথৌগী শুপনম শাষন লৌথোক্লুবা হেংংনখি, কল্লবা মীওং মীনৈগী য়োংহিলং ফাম্লাং।



কবুইনি অপামবী

কবুইগী লোংমৈ শাগৈদা পোক-চবী অপামবী (পৌপান লুংলু) কুঁল কুচুদা লময়োনা পানবীনি। চুং-ফিরাল চাই মায়থোং রাশি লৈ। মোমোন নোকপদা পকচবী মহাকী মাইথোংদা মতম পুম্নগী ওইনা মীহুংশিগী মমী তাই। মীংদা অপামবী কৌবদা নম্লনা লিংজেল পানবী অপামবীনি। অপামবী কবুইনিগী অপোকপা অহলদি লোংমৈ মাইচাম কবুইনি। পোক্লফম লমদমনা ইমফালগী উখ্রুল লম্বীদা লৈবা শওস্লুং কবুই থুঙ্গাওদনি। মাইচাম কবুইনা পোকচবা মচা ৪ গী মধুংদা অপামবীনা অহলনি। লুংঙাই মাইফমা হৌরকই। কবুই চম্লুরা অমা ওইরবস্থু নিংথৌগী মজাইবেমাগা মতা

শাক্লুনা লৈমকোল ফিংখৌকোল্লা থনিং অরা চংকবা কংজখি। লৈবা নিংথৌগী নমচং ব্যবহার চপ চান। থংবী কবুই চঙুনি। মতম-তুনা কবুই চঙু অমনা লৈমকোল্লা চংহুন। নিংথৌগী মজাইবেমশিংগা চাগ্নীন-থকমীয়বা অয়াইবখি নত্তে।

মী মশেলগী মরক্তাথমথেংনা অমাং অশেং অচৌ মচা থাইরিঙৈ মতমনি। ব্রহ্ম সভানা মী শেংদোকপা ভুম্মী, মী মাংথোকপা ভুম্মী। অয়াম চঙুনা পায়রবা পোৎ নিংথেমশিংনা চাবা য়াদে। চৌংদগী ফুমলকপা চৌংমী থোম্বাজদগী হেন্না থোঙ কানশিহন্নমদে। ধর্মগী পাওথোংকমদা শেলগী পাজেদা হান্না ঈশিং তুলশি মচুয়া থিকপদনি মীনা শেংনরিবা তুলশি পত্রদো শেল পিত্রবদি থিকপীয়ু য়াদে। চুরচান্দ মহারাজগী মতমদদি শেলনা মী শেংলেকপা য়াই। মতমতুগী মীংনা উবা লাইদি ব্রহ্ম সভানি। সভাদুগী সদস্যা ওইবা ব্রামহন অমতংগী চরম্না মৃত্তা ফংজবদি লোইরে মীদু পুরশেং শেংলে। অসিগুম্বা শাগে জাংকী পাওথো.দা মীনা লাই-শাবা, মীনা মীবু ওংপা, মী মশেলগী মরক্তা থাম্বিবা থেংনবগী মরলশি লৌথোক্লগা মীওইবা মশেল থোং মাম্না হিংমীয়বগী লানকমদা থৌনা কনা চোংথোরকখি মীয়ামগী লুচিংলেন লানচিংপুরেল "হিজম ইরাবত" অমসুং ইরাবতকী য়াথলগী পান্দমু থাজবা থৌনা কবা থৌনা ফবী কয়া। মথোয়তুগী মরক্তগী শরি, থোংনাং, জাতি, তোজৌ, লৈবাকলৈ, লৈরেন, মুরতি, পুজারি, সনাজাওবী সনা-তোম্বীনচিংবী লোয়ননা কবুই নিঙোমজগী তোমথিল ঙানবী অপামবী-নচিংবী "" ""। নিংথেম কোল্লা তোইনা চংবদগী উয়কখিবা মী মশেলগী থেম্নবা, ধর্মগী মীংথোলদা মীনা মীবু ওংপগী চংনবীশে থোয়দৌ শিক্লা য়ানিংখিদে অপামবীনা। লাইনিং লিচংকী মীংদা থম্নিবা থেম্নবা কয়া অমদি শাগৈ জাংকী পাওথোংকমদা লৈগ্নিবা অনেম

অরাং অসিবু য়ানিংদবা নত্তনা ওয়ি নোমজিবা লৌমী শিনমী মীয়ামবু হুমাংমজ কংহন্দনা মতমদুগী নিংথৌ ১মুং বৃটিশকী চুংশিন্নবা লৈঙাক রাজ্যো ওৎ-নৈবহৃ চল চান। থেংনবদা থৌদাং য়াপে হায়বগী অচেৎপা রাশক অপামবীনা লৌখি।

ডিঃ ১২। ১৯৩৯দা থোকখিবা হুপী লান অসিগী মমা্দা অপামবীনা মতমদুগী হুপীগী লুচিংবী কয়াগা তত্তনা উন্নদুনা রারি শান্নখি। তোংত্রম নিঙোল শবিগা য়ান্না হুংশিনা লোয়নখি। অনা নেতা ইরাবতনা লমলাই মায়কৈদা হায়থরক্লগা তৌবা অরোনবা অকোংবা মীতিন কয়াদা তত্তনা য়াওরুই। লুচিংবা অসিগী রাকমদা অচেৎপা থাজবা থমখি। ইরাবতনা মীয়ামগী অরাবশি কোকহনবা ঙমগদবা হুজিকী মতমদা লৈতে হায়না মীটিং হল্লক্লগা ইমুং মঙ্গুংগী মচা-মনাওশিংদা কৈরোই লৈকাইগী মরাম্নবিশিংদা তত্তনা হায়খি। চেং তা বগী অন্দলোন হুপী লানগী মতমদসু অঙকপা থৌদাং য়াখি মররারিগী অরোনবা চেংগী পূকৈ কয়া থুগায়বদা খালতাবিগী মতমহুগী অচৌবা দুকান্দ রোমোন দূকান্দদা লোন্না চেং পৈশিন্দুনা খম্বগী মতাংদা অরাং নোং-পোক মায়কৈগী থৌনা ফবী ইমা ইবেম কয়াগা লোয়নত্নুনা খালতাবীগী দূকান্দ থুগাইবা য়াওখি। অরাং নোংপোক চিংথে লমদমদগী ইমফাল তান্না চিংখংলকপা ফৌ-চেং, চেংপাক গাড়ী কয়াবু থুরাইদা খান্নগা চায়থায়বা লংখায়বদা মমান্নবী কয়াগা লোয়ননা অপামবী কবুইনি য়াওখি।

মৈপুই হুনগোই পংগৈথে।
অকাইগোই লি শুংলথো
কগন চানা থেংনালো মেত্তাই
অকাইগোই কত্তানা (কপুমপুইনা) থৈঙমপুথে
অবাও অকাইগোই
লৈ-লৈ বমলুপুই নম্মাথে

অপামবী

মথকী ৱাংহে থরগি শওন্থুংদা লৈরিবা মাবুন অসি নুংমাইজিংখাইদগী খোংনাং কবুই খুল্লাংগী মনাইবী মচেম মনেম পুন্নমকী মকন্না কোইরেংলেম্বুনা পাংওন্দেনবগী ৱাহৈনি। কবুই লোনবী ৱাংহে মতক অসিনা লোং-লোঙ্গিবদি হৃদয় ময়াম পুন্নমক থোকলক্রো। ঐখোয় মাকংবগী মতম ওইরে। মশিংদগী হেন্দোকলমবদি ঐখোয় শিকা তারে। মতম লৈরিঙৈদা থেংনহৌরগি হায়রবগী চাওরাকপা ৱাহৈনি। লমলাইরোম-দগী কয়েং জাতি লাইকংবম ওংবী তোম্বী চনাগী কোমলম ওংবী থবাল লাইশ্রম ওংবী লৈবাকলে অমদি পুংদোংবমগী হৱাইবি,লমলাইগী থাগোয় অসিনা চিংবী কুপী মীয়ামগা লোয়ননা শওন্থুং থোংনাং মখোংদা কয়িপুন্দা রাকম থরা তাম্নরি। তাম্নরিবগী মরমদি শওন্থুংদা লৈরিবা মাবুন গেট অসিনা প্রজা মীয়াম্বু ওৎলে। কুপী কয়ানা তেম অমা পুবগীদমু তরেং অমা পুবগীম্মু উ খুদেং অমা পায়করপগীম্মু মাবুন শেল পিরমগ্রবদি লাম্বোকপা য়াদবা, অচা অথক হৱাই থোয়দিং, খজিক্কুং পুবগীম্মু গেট লাম্মুনা চৎপা য়াদবগী মতাংদা অৱাং নোংপোক চিংথে লমদমগী কুপী ময়ামনা শাংচেং মচি লাংদুনা তেমগী লান হৌরকখি। মযুনদা পৈশিন্দুনা থম্বা পোং-চৈ পুন্নমক চৈথায়রবশি হায়দুনা কুপী মীয়ামগী ৱারেপ লৌখি। জনুয়ারি তাং ১৬ | ১৯৪০ দা ইমফাললো-মদগী কুপীগী নুচিংবী কয়া লাকপিনবা হায়জরবদগী থোংনাং, কুমারি, স্নাতোম্বী রজনিনচিংবী ইমা ইবেল কয়াম্নু লমলাইরোমদা হায়থরকখি। ইমা ইবেলশিংনা পুন্না শওন্থুংগী মাবুন লৌকমদা হায়জিনখিদুনা, লৈরম্বা মান-চাং হৱাই থোইদিং মাবুন শেল পিদে হায়দুনা কান্না থনম্বা পুন্নমক চায়থাইখি। লৌনাকবীশিং অমুগী মতোদা সরকারগী কর্মচারিশিং অদু পুমক্তক ঙকখি। কিদুনা লোৎনখি। অসিগুম্না লাজং অসিদা থোৗ যনা মায়রোয়াখিবী অপামবীনি।

অহল ওইশিজলক্রবা মতম কাওবদা মীয়ামগী থাখল থাদোকখিদে চৈত্ত পাম্মখা অত্তমমা লৌমীগী অন্দলোন য়াওখি অথাং কনবী অপামবী মুশিং কবুইনী পুন্সি খোংবুরোইনি। মচাম্নুপা অমা থম-জম্মী। মচাম্নুপাগী মীংনা পত্তিজাই কবুই কৌই।

খৃষ্টগী কুমশিং ১৮৭৬ তা পোকপী অপামবী কবুইনি ইং কুমজা ১৯৭৮ দা তাইবংপান থাদোকখি। লাঞ্জংলম্বী অসি লৈত্তবগী পাও তাবদা ভারত কমিউনিষ্ট পার্টিগী লুচিংবা কয়ানা চত্ত্না অঙাংবা ফিবালনা অপামবীগী থরাই মিরম্না তু্ওইনবীরম্নবা হকচাংবু কুপখি। লৈরোন চলমদাইগী অরোইবা পুংজাদা রামিম্ননকপি মতারোই অমনা থম্মোয় শোক্না তে্থাখি। রামিম্নখিবনিদকো অপান্বী ইতারোই ।

❀ ভুসিস্থ লেংদনা লৈরি ঈরিল তু্রলগী নো্পোক, উম্র্ল লম্বীগী চিদাইদা পিকত্তকপা নিংশিং শঙলেন অমা অপামবী ভবন, থৌনাফবীসিনী মীংলেন্দা ভারত কমিউনিষ্ট পার্টিনা কচ্চবা নিংশিং শঙলেন।

❀ ইমা অপামবীগী রারিশি ক্ষেত্রি ইবোয়াইমা কৈশামপাং, ইমাগী মচাম্নুপা পত্তিজাই কবুই, লনজ্জিকপু কবুই অমম্নং সেক্তাগী খাইদেম নিমাইদগী হ্জরগা ইজবনি ।

লাইশোম লৈবাকলৈ দেবী

(নুপী লান লুচিংবীশিংগী মতাংদা অমা)

মায়েংবম ইবোমচাইবম
১৫ | ১১ | ৯৬ মোংজোইবা ।

ইং কুমজা ১৯৩৯ গী নুপী লান জমদম অসিগী ইতিহাসতা থোই-দোক্না শরাইরবা তাঙক অমনি। মনিপুরগী নুপীশিংগী ইকাই, থৌনা শিংজেলগী মরেক লায়বা মিংচংকী থৌরেপ্তি। অসিগুম্বা মমল নাইরবা থৌদোক অসি নুপী মীয়ামগী লুচিংবী কয়াগী থৌনা, কথোক-পগী শিংজেল অহু য়াওরমন্নবদি অনৃক চঙথোয়া মশক নাইরমদবনু য়াই। অহুগুম্বী মথৌনা ফরবীশিং অহুগী মহুংদা অমনি শ্রীমতি লাইশোম লৈবাকলৈ দেবী



লৈবাকলৈ ইংকুমজা ১৯০৫ জানু-য়ারি তারিখ ৩০, মৈতৈ থাজংকীনা য়াকচিং খাগী নোংমাজজিং লুমিং অমদা হৈরাংগোইথোং নাওরিয়া পাখংলাকপদা পোকখি। অপোকপগী মীংনা লাইশোম নিংথৌজাও শিংহ অমুগা অপোকপীগীনা খুমন চৈরাম্বম গুলাপতোম্বী দেবী কৌই। মচিন মৌপরা মচিন মনাও তরুবী খুমনগী অহলনি শ্রীমতি লৈবাকলৈ" লাইশোম লৈবাকলৈ দেবী পিতম নিঙোম লৈরঙা লৈবা চোংথাম ভোমচা শিংহনা মমুম পানখি। মতম শাংনা লৈমীয়খিদে। শাংলবা পুক্নিংগী মতম পোক্কম হৈরাংগোইথোং অসিদা অমুমক লেপ্লি। মহাকী মচা লৈজদে।

মেইশরাম মপোকপা শ্রীমাইবোম ভুবেশ্বরনু মচাঙ্গা মাইকোন্নরুনা হিংলি লুচিংমী অমদি ১৯৩৩ ডিসেম্বর ১২ নুমীতাদা মুহিংকী মপুং ওইরবা টেলিগ্রাফ অফিসকী থৌদোক্তা মাংজিন থানা মুচিন অমদি হিংথৌবী থোঙজোকা শরুমখিরবা পিবরইশিংগী নোংমৈ ওস্মি, নাক্মিল, নোংমৈ তুন্না, তুমখিরবা মিচুং কয়াগী মাগোক্না থৌনা কনা লেপখিবীনি। মগাম্মা চেং থাবা হিংনবা অকনবা তকশিনবগা লোয়ননা মুপী মীয়াম্না কোন্নশিন্দুনা টেলিগ্রাফ অফিসতা থমপ্রবা মনিপুর ষ্টেট দরবারগী প্রেসিডেন্ট টি: এ: সার্পপু করবগী মীংদা মুপী মীয়ামনু তমখিনা জান-থাইখিবগী মতাং অদু নীংশিলহুনা অহল ওইরবা লৈবাকলৈনা মথন্নায় শোক্নাহায় — "দবল বেঙ্গ্ল খোংভগা অসাম রাইফলস কৌথোক্রগা শঙ্গিম্না হেক্তা খিলহল্লি, চোম্না হায়বমানে অম। ঈশিংদা নমশিনবীরুদা নোংমৈনা কাপকে কাপ্ন মীবু ঈশিংদা নমশিনবীগম হায়দুনা খায়্বদা সিকাই অমনা থুনিংন। মিংতা থিনখি। নপায়ান মচাশিংদো মীগী মমিং তা-হনবস্নু হৈ।" হুক্কিকফাওবা চৈনাখোল ফাওবদেনা টুলক্সিবা য়েংথংবা মিত্ত্ তাকই।

অহানবদা থা অমি ইমফাল সেন্ট্রেল জেলদা ফাক্কিন্দুনা থম্রবা মতুংদা বিচারগী মতুং ইম্না থা তরুকী জেল পিখি। থা অনিগী মতুংদা ফাদোক্কী কিজেং হোংই, জেল মনুংদা লংচাক চাকপানচিংবা থবক শুহল্লি। জেল মনুংগী পুক্কি নিংশিংলহুনা মহাক মথা তানা তমলকখি — "জেল মনুংদা ময়াম পুন্না হৌনা হৌনা শকই-রঘুপতি রাঘব রাজারাম [ইশৈ মতেকশিংদু শোল্লবা রারব। কয়াহু থাঙলহুনা শকই] নদুদা জেলার শরাংথেম নোদিয়াচান্দনা "জেলনে লৈরিবসে করি হেম্না উশিংহ্রিবনে।" হায়না লাওরকই, ঐখোয়না গোড়ি মতমনে নথৌ লৈব্রা হায়দুনা হৌনা হৌনা শকই।" মক্ষিপা লোয়ননা শকখিবা ইশৈ মতেক অমসু শক্রকই - "বন্দে মা ভবানি জগত জননি "

অঙ্গমা ভেন শঙ্কুলো লোংখাইজিংগা তা চন্না অমমম লীমৈ। খন্না লৈবনা বালোন লৈয়ে হায়দুনা চাক খোংখা মীওই শিন্নকপগী মাংজি শেংজি খংদে চানবোই কোলা তোংলনা "চাবুনা লোজি। তাবা ফুবন বজন মারকপা ম্রাওন। অহুদগী চন্না হেনমি হায়রুনা তোঁবনগী বালোন (ম্রাইখিবোক্তুনী অঙ্গোবী) অমনা খোংহনখি ভেন মন্নগী ইশৈ অদু শক্লুনা হায় "মদুদা ভেসাখনা লোংমৈ কাণশিন্নকউবাও।" হায়রুনা অাউ খোংই অহুবু ঐখোয় কন্নিহ নাচুংবিদে কাপ্পোরাও হায়খ্রনা। অদুম শোজি। মতম ওইরুকনা নাম শোজিখখি হায়দ্রনা অদুম শকই।" জনসৈতা ইরাবতকা ভেনদা উন্নবগী মতাংদা লুচিংবী অসিনা হুংশিনা শোজি, মেমভোরনা হায় "কৈদৌনা চংলকইবনোন কৈথেল কাবগা নচা নগু থাকইবা নংবো হায়রুনা হায়রম্মী" মসিগা লোয়ননা ইরাবতকী মরমদা অমুকস্থ শিংথানরকখি।

শ্রীমতি লৈবাকৃলৈ দেবী হৌজিক হৌজিক নিংতম লাম্বংনখিবী অমা ওইনা পেন্সন ফংলি। পেন্সনগী মতাংদা অহানবদা লুপা ৫০০/- অতুদগী ৬০০/- অতুদগী ২০০/ অমুক হন্নবা, মথং অমুক ককউন্নবা অদুগী মতুংদা মথং মথং চখরকপদগী হুজিকতি লুপা ১০০০/- ফংলে জায়বসিনি। মহাক ১৯৭৩ অগষ্ট ১৫ দা জাতিগী লেমজনিংঙাই ওইরবা মনা তাম্র পত্র ফংখি।

_লুচিংবী অসিগী পুন্সিগী শকমদি পাক্কনগী হুমাংমন্তনা হিংজংকখিবী শেংলবী মৈতৈ নুপী অমগী পুন্সিনি। খ্বাইদ্রবন্দ কৈথেলদা হৈরা য়োম্বুনা লেপ্পরকপদা নন্ননা থাজ মোইরাং, মাইস্নিপোক চন্দ্রখোং নিঙেল লমদম অসিগী লোয়জিং লোম্না, পাংম্না কন্নাদা অমম অখেং অকি ফুজ্জুংবা লৈতনা মৈত লায়ন্ন থিদ্রনা, মদুগী কোক্কাক খোমদ্রনা হিংনবগী

লানকমদা খল্লোয় শেংনা থৌনা ঌৈন্না লাম্বেংনরকখিবী অমনি। য়াইদ্রিবোক শাক্লেকপগী লেত্পিনজ্রবা মতমদা খানজ হিযেল লাম্বক-খিবগী মানী ওয়াকখি।

ম্যোইজিঙ্গি প্রাঙ্গল হনক্রে, ইমুংদগী ওমাংখাওবদং থোক্লকপদা শদোখো লে। অদুবু থৌনা অদুদি হল্লি। মহাকা কোয়জরিবা ভূমেশ্বর মৌপরাঙ্গুপা চাউবনা পোকপনি। ভূমেশ্বরগী মচা মশিং, মাগী লোয়নবী লুচিংবীসিগা শুন্নি। মচাশুম্না শুংশিন। য়োকচবা ভূমেশ্বর কেন্দ্র সরকারগী খবক তৌজরি। অদুবু মমুম থাদোক্লবা হকলোংদা পোক্টাং লৈরি। অহল ওইশিলকপদগী মনাঙ্গা লৈহমীংবগী মাকং তক্লবা শোল্লি।


অহল ওইশিলক্লবসু, পাঙ্গল হল্লক্লরবসু থৌনাগী লেংব্রবা মমি অদুদি এখোয়না লুচিংবী অসিদগী শোয়দনা উবা ফংগনি। মৈতৈ লুপীশিংগী মনুংদা শীংথানিঙাই ওইরবী লুচিংবীশিং অসিগী পুন্সিগী শক্লম মুংহন্দন। হেন্না মথা তানা মীংশীংহোবতনা জাতি অসিগী ভুংগী মীয়োন্দা অনৌবা থৌমা শোয়দনা পীগনি। লোইলম শন্দোকপা পাম্বা সম্রাজ্যবাদি অমদি তমথীরবা নিংথৌ মীওংকী মায়োক্না থৌনা লৈনা শীংনবুনা অশেংবা নীংতম্বগী খোল্লাউ পুথংখিবী লুপীলান লুচিংবীশিং মখোয়গী মকমদা কচ্ছপদবা চাউরবা লমন বস্থ জাতি অসিনা শুসি তোল্লি।

✽ এখোয়গী চনা লুখোইনা নোংমা নিংশিংজকপদৈ নবেম্বর তাং ১৪ হুংখিলবা এগী মরুপ এলঃ শাশীকুমার অমসুং এঃ কেঃ মনি এখোয় অহম চত্তুনা উজ্জকবদা হায়বীরকপা খরদৈ লৌখংচম্বপা শন্না ইখোকচবনি।

"কাংজম ওংবী সনাজাওবী লৈমাগী সময় বারী"

এনঃ জিঃ কাংজম

রাজ কুমারি সনাজাওবী লৈমা চহি ১৯০৬ পুবগী ইঙাগী ১৪ নি শায় ইরাই কুমিত্তা পোক্কই। সগোলবন তেরাদা লৈবা রাজ



সনাজাওবী লৈমা

চাওখুসনা শিংহনা পোকপনি। হোম মিনিস্তর ওফ ইন্দিয়ানা থোকপা ওর্দর নং ৩০১/ আর/আর পি সি/৩২৪৬-৬৯ গী মখুংদ চন্দুনা মরৈপাক মরমদমগী থৌদাং চাউনা য়াজবকথিবগী মনা রুঃ ৫০০/- "মে থাগী চৈচং ২৭, ১৯৫৮ ইংগী ওর্দর নম্বর অসিগী মথাদা কংখি।

রাজ কুমারি সনাজাওবী লৈমনা কাংজমদা ওংদুনা তেরা, থুরাইজম লৈকাইদা অরোইবা পুন্সি তানখি।"

মিস্তগী চহি ১৯৩৯দা হৌথিবা নুপী লাল অহুমা মনাগী চহি ৩৩ সুরকপদা অকন অকবা লানকম কয়াদা সরুক চাওনা য়াখি।

[illegible] থৌদোক [illegible] :-

১ | দিসেম্বরগী চৈচং ১২, ১৯৩৯ ইংগী খুমিদাংবাইরবদগী থৌখিবা কুপীলালগী অহৌবদগী ঃথোনা ফবী মীতে চন্থা ১ ওইনা দরক য়ারকখি। মীশিং মধাংদা থোক্লনা বা ভাংবা হৈজদবা মখয়া এমন ভে বা, থুগাইবা, অপম্বা দিবা মীসিংবু নমথেক্লবা হোৎনবা পুলিস সিফাইসিংগ মাই ওক্লবা, মী থোম্বা, নুপী থুনাইদা থৌনা হাপকংপগী থৌদাং ওইনা লিসাং সিংনা লৌরকই।

২ | দিসেম্বর চৈচং ১৫,১৯৩৯ ইংগী থৌথোক:- দিসেম্বর চৈচং ১৫,১৯৩৯ ইংগী অয়ুক্তা হয়িং থোংবাল মীতিন কয়া য়াওখি। হৈরোক, রাংজিংলোমদগী দিসেম্বর ১৪ দা নুপী ১৮ কাপ্রে হায়বগী পাউ তাদূনা ফমখিবা মীতিন অহুদা থানাদা চত্নূনা নুপী ১৮ লৌথোক্লনবগী রারেপ লৌখি। রাবেপ অহু পাংথোক্লবা এমন তৌবা মীওই খরা চোংথোপদ কাংলম ওংবী রাজ কুমারি সনাজাওবী লেমা য়াওখি। জেল মনুংদা চংদূনা নুপী ১৮ লৌথোক্লবা তৌবা লালদ মাংজিল থাখি। থানা সিফাইসিং অদূনা নুপী ফুবা হৌরক-পদা সিংচৈবাক ময়াম সিং য়োনফমদগী সংলগা ফুনরকখি। নুপা কয়াম্বু য়েংবা ঙম্বরক্তুনা সিংচৈবাক সংলগা থানা সিফাইগা ফুনবন্দা য়াও-সিল্লকখি। সিফাইগী চৈনা পান্দূনা রাজ কুমারি সনাজাওবী পাম্বোম ওই থংবা অমদি পাম্বোম য়েং থংবা, থুদাংদা ঈ অসিবা চংনা লোকখি। থানা সিফাই ৭ লোম মসানা ফুখি হায়রুনা রারী লীরম্মী। লাল অহুবু "দিঃ ১৫ গী উত্থুপ লাল" হায়রুনা মমিং চংখি।

৩ | দিসেম্বর ১৬ কী বিচারগী খোংজং :- উত্থুপ লালগী নোঙাম্বা দিঃ ১৬ কী অয়ুক পুং ৬ লোম তাবদা চৈরাপ মমাংদা নুপী ময়াম

তিজাহল্লবা হোৎনবদ হুপী ২০ মুক্ল চোংথোকপদা সনাজাওবী লৈবা ঙম্লম্মি। তিঙ্মিবা মীয়ামনা {i} খোমজাম অহৈঃ শিঃ মা সবীগী মখায়দা খোঙপাক্লা কাওখিবা {ii} উতুপ লালদা হুপীবু খ্যনা শিজাইহন্নবা খুৎলাই পায়হনা হুখিবা {iii} কতুন্নবী মচাহলা মুক্তিয়ানা "মনিপুরী নখোয়দি খুম্না উপুরগা চঙেমগা তোৎনরগা শিজগে" হায়রখিবগী .বিচার {iv} হুপী কায়বা তেলদা থম্বী বিচার উসিং থৌ-ওইদব। ময়াম অসিগী বিচার মতিক চাবা তৌ হায়রবগী থোঙজং চংশিনগদবনি, থবক হৌগৎলগদবনি, লাল অসি মায়থিবা মুকয়া য়াক্লোইদবনি চে থাম্নগদবনি। য়ারেপ লৌসি হায়দুনা লাংবদা সরুক চাউনা য়াখি। থবক অম্ম পায়থংনবা হোৎনবদা চয়া হেন্দুনা চেরা চোংবদা সরুক য়াখি। খুইয়াকপম চে মেখদা ইহন্দুনা লানথংপা হৌখি।

৪। দরবার থুগাইবদা সরুক য়াখিঃ- হুমিং কয়া ময়াল লৈবসিং বিচার তৌনবা হোৎনরকপদুনা দিসেম্বরগী ২৫ কাওবা লেপত্রবদা দি ২৫ গী সাখি লৌবগী নুমিৎ য়োরক্লে। নুপী ময়াম দরবার মমাংদা পুন্দুনা লৈ। মতমদুদা সনাজাওবী অমম্লুং এম্লনগী মী ২০ লোম য়াকায় হেক লাকপগা দরবার থুগাইনবগী মতম ওাইহুনা লৈ। দরবার ফম্বদ ময়াল লৈবসিংগী য়া ঙাংলদুনা অমাং অসেংগী য়া থিগৎ-তুনা লৈব উবদগী এম্লন কাংলুম্না দরবার সঙগী থোঙনাও ময়াম নুংঙনা থাদুনা থুগাইবা হৌবদা সরুক অহানবা থুংমাবা ওইহুনা য়াখি। অদুগী দরবার মনুংদা চোংসিন্দুনা দরবার থুগাইখি। দরবার মেম্বরসিং মতক লাকুনা ইনবহু সনাজাওবীনা হৌখি। মেম্বর ৮ গী মনুংদগী মেম্বর ৭ চেনখি। অসুম্না দরবার থুগাইবদা সরুক চাউনা য়াখি।

৫। সঙ্গিন পর্বদা লোকখি :- দিঃ ২৫ গী মরবায় পূনাইবা মঙ্গল লোইরগা মুত্তো সাহেপক্তা তেলেগ্রাম তৌহনবা কারগা পূরকখি। কান্দিরক্তা চংখিবা চুরাচন্দ্র মহারাজনা তেলেগ্রাম তো হায়বগী পুবনি। মুত্তো সাহেবনা হাকে মালে তৌরম্বা তেলেগ্রাম অফিসতা চেংখোক-খিরকপী এমন কাংবুনা তেঃ অফিসকী থোংনাও মহক্নেম মমাংগ নংঙ্বা থাদ্না থুগাইবনা, সুক্লিন্দ্রা মকুক য়াখি। মতুংদা 4th Assam Riffles-কী সিফাইবনা লোইবে মফির-প্লাসাদ্না মাকিবলখি। সিফাইসিংদগী সঙ্গিন মুম্বা হোংবদা কাংজম ওংবী সনাজাওবী লৈমগী মুনাং ওইথংবদা সঙ্গিন্না মকম ২ খিনখি। পূন্সিগী অং হইবা মতম ফাওবদা থুং ওইনগী সঙ্গিন্না খিনখিবগী অকোংপা মকম ২ মু চাউনা অত্তুম মুক্তনা লৈখি। সঙ্গিন্না খিনখিবা মপী কয়া সোকখিবা লাল অসিবু মতমদগী য়াহৈদা "সঙ্গিন পর্ব" হায়দুনা ফাওখি।

৬। লম্লাইগী মাসূল খিংবা য়াওখি - লম্লাইয়োমদা থুদেং পুবগীসু মাসূল লৌরে, লন্মোমবা থোইদিং থরা পুজবগীসু মাসূল লৌরে, লনাই ফিসাতেম পুজবগীসু মাসূন লৌরে তরেং ১মুং থাও পুবগীসু মাসূল লৌরে, হায়বা পাউ অসি লম্লাই জাতিনা চিংবী মরু ওইরসিংনা পিরকুনা তানরে। মওঙ্গুংগী মাসূন লৌকম ওকিস তাগ্না চত্তুনা খিংনবা হোংনবা, লম্লাইদা মঙ্গল মীতিন গ্রাওনবা জনুয়ারী ১৬, ১৯৪০ ইংদা চংপদা সনাজাওবী য়াওখি। অহিং কয়েং জাতিগীদা য়ায়কফুনা মুমদা [illegible] মুমদা থম্লাক য়ানবরস্থু য়াননা থবক ওমদবা য়াসে হায়দুনা থৌদাং লৌখি। মওঙ্গুং মাসূল ওঁকিল মহুং চংদুনা অকাবা পোং চৈ চাইঁবাগ্দুনা লংলেকপগী থবক অহুদা মায়পুনবা অমা ওইখি।

৭ | কৈবেল কাদা পিংগ্না অচৌবা থৌদাং লৌখিঙ্গ উরিপোক তৌরাবৈদ ক্লাংবুসী ঙুলৈনিংবা চুড়াচান্দ মহারাজনী থাবোনকপা ঙুলী-পিংগী পৃথমা কৈবেল বন্দ তৌবদ্ থুগাইদুনা কৈবেল কাংবা লোই-কদ কয়বা সরকারগী থাবীনা ঙুলীসিং অমুখ পুরকপা সরকারগী থাবী অমত্ তাংজন ওংবী মনাজাওবীনা রাকোক ১ সংখ্যাগী সংখ্যা কয়দুনা খুংলোল থুগাইখি। ঙুলী কমায়ঙ্গ মতেং পাংবা তংশিনকখি। লোইকদ কয়বা হৌরকপী থরিদুনদ্ মনম্ভাগশিনদুনা ঙুলী ১ মৈখায় হনখি, লোই টুচ থুদুনা চাইথারবদায় লক্ক রাখি।

ফেব্রুয়ারি ট্রৈচং ২৭,১৯৪০ ইংগী ঙুমিত্তদি কৈথেল বন্দ থুগাই-দুনা কৈথেল কায়কপী উরিপোক তৌরাংবম কাংবু ১দি মহারাজ চুরাচান্দগী কাংবুসিং অমদ্ মহারানি থোঙথোঙদা কাংজম ওংবী সনাজাওবীনা থোঙচেপ হায়দুনা কৈদ্ কৈদ্ তৃহনখি। মীয়াম হোচিন্নদুনা বন্দ থুগাইবা কাংবুদ্ য়োমশিন্দুনা ফুখি। সিকাই লাকুনা মখোয় মরুমদা তবা কিদুনা মরুম মরুম তান্না সিকাইসিংনা খুংলাই পায়রগা থিনখি।

য়াওসং মন্থংগী ফি নৈব লাকপা মরাংনা য়োবা ফি নৈবা মীপুম মুনপা ফি লেপাইব, তান্না তান্নদুনা ফি মুথা লেপাইব, চৈদা কিসিংদু লেপাইরগা য়াম য়ামনা লোরোকই। ফি নৈবা য়ারোই, কনামক্তা মরাংসিংদগী ফি নৈবীগদু হায়দুনা লাউ লাউদুনা ঙুলী ৬০ মুক্তা মারকৈ মারকৈ তাইথোকদুনা চংলা পিসাং পিরবী লক্ক রাখি।

৮ | রায়েন সনামচুরগী কৈজোম, মুরিং লেপাইদুনা চৈত্তা মরাংদা মকি থোকখোকখি:-

[illegible] [illegible]-খোংবা[illegible] [illegible] ২[illegible] [illegible] মচা [illegible] [illegible] [illegible] ঙৈরবী [illegible] খুজোল [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] চৈরাও [illegible] [illegible] মরাম লৈখি। ধুলোপ নিতাইবু [illegible] কোংনবা মরোমনা পার্ট [illegible] বামোন সনাখক্কুম [illegible] [illegible] [illegible]কপদা বাং[illegible]-ওবী [illegible] লৈমনা তা[illegible] [illegible] [illegible] লেংলিবত্থু থাদোক্লুবা [illegible] মখু-রিংগু সেপাইশিংনা মখি [illegible] মীয়াম মমাংদা খোঙোলনখি। মমৈদা বামোন সনামক্কুম্বা ঙৈরবা মঙ্গুংদা চংলকা মখি [illegible] [illegible] খুরুখুদক কুন্দুনা লোংখি। মতুংগী ধুলোপ নিতাই অনিনা কেস থাজংলক্লুনা কোর্তনা কাজম ওংবী সনাজাওবীবু লুঃ ১০০/- গী জরি মনা তৌখি। কোর্তকী রায়না পীরবা লুপা ১০০/- অতু মুমদগা পুরগা মীয়াম মমাংদা লমন খুজে লুংচাইরে, পেজে হায়দুনা লাউরগা পিখি।

অসুম্না থৌদোক কয়াদা ন্ পীলাল হৌবদগী লোইবকাওবা এম্ননগী চাংবা চাওরবা সঙক য়াদুনা লাকখি।

রারীগী লৌক্রম ঃ-

অসিতা নত্তনা রারী, থৌথোক কয়ামক্রমগু লৈরে। সংকংলক্লিবা রারী থৌদোকসিং অসি মথাগী ইমাসিং অসিনা কাজম ওংবী সনাজাওবী লৈমনা নাদুনা লৈরবদা খ্রিঃ ১৯৬০ দা রারী লীনরম্বদগী Record তৌহৌবনি॥

জিরবা ইমাসিং অদুদি ঃ-

১। রাহেংবম ওংবী তোম্বৌ দেবী রাহেংবম লৈকাইদা লৈবা।
২। নোংথোম্বম ওংবী থোংনাং দেবী লৌক্রকপম লৈকাইদা লৈবা।

৩ | আথোকপম অংবী রূপমণি দেবী — খোঙ্জ্রাকপম লৈকাই। লৈবা

৪ | থাংজম অংবী সুনামণি দেবী — খোঙমন জিনখোলনর লৈকাই।

৫ | লাইহরোম নিংথম ইবেয়াই, — নাজরিয়া খাঙাবক মায়েকশা লৈকাই।

৬ | খেত্রিমযুম অংবী সুধি ,, — মহোম লৈকাই।

৭ | তোম্বমনিংথোন দেবী ,, — খাংখৈ লিংখোম খুরি মপাল।

৮ | নিংথৌজম ইবেচা ,, — ভেরা খোঙ্জ্রাকপম লৈকাই।

৯ | নাওরেম চাওবেন ,, — খুরই আগা মপাল।

১০ | খাইদেনম নিংথোল চবু ,, — উরিপোক।

১১ | চোংথাম অংবী তিংগোং ,, — নমূল লৈকাই।


বাঙ্গীসিং অসি লীনরগা মথোয় মসেল খুংগাইনা রা-রা লোকখিরে।

Record তৌহৌবাঃ কাংজীয়া [মচারূপা]

৪ | ১১ | ১৯৯১ ইং।

নুপী লান্দা থৌনাফনা লাগৎখিবী মীতৈ চনু খোংনাং

অহৌবিং:- খাংজম ইবোচা
শগ্নম্রং



মীতে চনু খোংনাং

সমাজগী লাইবক্তা নাবা নত্তে, চিংনরোই তম্নরোই মনিপুর প্রজা মীয়ামদা কাওবনি।

লাও চংশিল্লসি নুপী মীয়াম পুম্নমক নুপীগী থৌনা উৎলোশি।

খোংনাং

লৌ-লোকথ, পোইন্তুলা লেংমান থুল্লংবা লৌমীগী মপাক মনিপুর অসিদা লৈরিবা প্রজাশিংনা ফৌগী মমক উবা কংলকপা, মতমত্তুগী বৃটিস সরকারগা মররাবি কাববাবরালাশিংগা লৌতুনতুনা মনিপুরগী চেং ফৌ, পুম্নমক মপান্দা থাদোকখিবদগী অমদি মহাজনশিংনা মাখাই মখোইগী অরোলবা গুদাউন্দা পৈশিন্দুনা থমখিবদগী লমদমশিংগী প্রজাশিং রাবনা হ, হা কার লাংনখি। মতমশিদা শিবা কিদবী ইমা ইবেল থৌনাফবীশিংন মপান্দা চে, ফৌ থাহলং বিরগল্লু। চেংতক কোল পুম্নমক থিংবীয়ু মররারি কয়াগী মথুত্তা চে ফৌ

শিবিগনু হায়দুনা খোঙেল হোক্না লাক্লরকখ। খোনা কবীশিং অদুনা মিন্‌-নম্না পুন্নখি। হৌদবা নৈতবা ইমা ইবেনশিং অদুগী খোনা শিংঙেল উবদা চিংলোন রাংমদগী লাকপা সাহেবশিং অমদি কারবাররালাশিং অদু ওকখি। মচিন্না খোক্না হায়বোকু বনু মমদম-শিগী নুপীশিংগী খোনাদা ইকাই খুমনা উংখি। লোইক্লবী ইকবা উনলেনবকা হিংবগী দাবী কয়া কোঙলা খোংদুনা চংলিবী ইমা ইবেনশিং অদুবু উনগায় মমদমশিদা পোকপা পুলিস অফিসর খোমজাম ধনচন্দ্রনা মপুনা য়ানবনি হাইদুনা কান্নবহনা লাওরকখি। "মৈতৈ নুপী লমহেনবীশা করিগীনে। নখোইনা কুমিদাংদা মী লাই কিদনা লাও খোংদুনা চংলিবা নখোইবু নরা নপুন্নোইবনা য়ারকু১? নাখাইনা লাও খোংহুনা চংশগী মহুত্তা নখোইগী নুপাশিংহু লুট চংহন্ন। থানাগী অফিস মন্নংদগী লাওরকপা ধনচন্দ্রগী খোঙেলশি তাবদা নোংশা অনোমগী লিংজেল পানবি ইমা-ইবেনশিংনা থানাগী অফিস তম্না চেনশিনখি। পুলিসকী নোংমৈ শজিল নাচুংখিদে। মাংজিল থানা চংশিলখিবী ভোংত্রম নিঙোল শবিদা খোমজাম আইঃ পিনা কাওখি। শবিগা লোয়ননা নুপী মঙাসু পুলিসকী চৈফুদা লৈমাইদা তুখি। লৈ-মাইদা তুহুনা লৈন্নিবী খোংনাংনা মথুং নাম্মা থারকলগা মপান্দা লৈন্নিবি নুপী মীয়াম ভানাবা লাওরকখিবা য়াইফেনি শবিগী লাইবক্ক কাওবা নত্তে চংশিল্লশি লাও নুপী মীয়াম পুন্নমক।

নুমিং থাগী খোংচংলেপতিবমথৈ লৈহৌরগদবা ১৯৩৯ ডিসেম্বরগী তাং ১২দা থোকখিবা নুপী লানগী থৌদোক্তা খোদাং চাওনা য়াখিবী "খোংনাং" অবুজম অঙোগী মচা নিঙোল ওইনা তাইবংদা খোংলাকখি। পোক্লকম লমদমদি ইমফালগী নোংচুপ মায়কৈদা লৈবা য়ুরেম্বম খুজংদনি। পলেম পম্হৌনা পোকচবা মচা ওকি মনুংদা খোংনাংনা নিঙোলগী

অরাইবিকিদি। নোংমদুনিব। মতৌকি লৈবা উবদেন মংলবকথি। ওইনা। মাহাক অকৌবকী কাংলাকপা পাম্বৈ কাইরকথি। লম্বাগী নাওরাকী অকৌবকী মাথক্কী মানা পিজরম্লা ওইরকথি। পুন্সি খোংচৎ লূপ্তবা অকোবক্কিদ মৌৱালাকপনি। লৈরক্লা ইনকা লোংখোইবম চাওবগা লৈপুল অহিং লেপ্লকথি। কিবাম্লা ১ কংকথি, মচাহলা খোইরালোনা চহি ৭/৮ দা ৱাকচিংদা মতমদা মপুরোইবা চাওবা লৈথিরে। মপুরোইবনা শিম-খিবক পিরুবা মচাবু নোংমা পুরালশিংদা চৎহৌরকি খোংনাংনা লাইরেপ কাংলো, কালিং নাওয়োক নাওকাংলকথি। পুরালশিংনা চৎহৌরবি মচাক্কী অপিকপা মচাবু চাওনবা য়োকপগী অরাবা পোৎলুমশিং মাইকোং য়ানা য়াম্না মতমগী নিংথৌ অমদি কুটিস স্নানগা মনিপুর প্রজাশিংগী মফমদা পিরুবা অরাংবা ধর্ম লাইনিং লিচৎকি মফিংদা ব্রহ্ম সভানা ওংশিবা মীওৎ মীনৈশিং শম্নদুনা লৈথোকপা ওমখিদে। এওনহুগী লৈতাক মাথনগী মায়োক্তা অম্না লৈনবা মীয়ামগী মীচিল কয়াদা অপিকপা মচাবু পুদুনা য়াওককই। অওনবা পাম্বা হূপী মীয়ামগী ইহৌ কয়াদা হত্তনা থৌদাং য়াজরকথি। নিংথৌগী অহেম্বা শক্তি নিংথৌগী নক্কবা মীওইশিংনা মীচম প্রজার ওং-নৈব। কয়াশিংদা খোংনাংনা থাম্মাই শোক্লা য়াম্লিংখিদে। কোম্বংমু ছাত্তিন থমগা চংপা য়াদে হাইবা, কুনাগুম্মি চন্দ্র নিংথৌ অমনা নিংথৌ অমদি মহাকী অচ্চম অথৌ ফম্নাইবসিংগী মমাংদা শম থাদোক্লনা চংপা য়াদে হায়দুনখিংরা কনাগুম্বিনা নিংথৌ অচ্চম অথৌ, লাকপা উহৌদবদগী থাদোক্লরবদি মশম্ম ককুথদুনা লৈবাক মীয়াম মমাংদা প্লোক্লোই-নবিদা অমদি নিংথৌনা অমদি মখাগী ফম্নাইবসিংনা খুদংদা হাইথ ক্রগা চন্দ্র নিংথৌ কয়াগী মরুমদা নত্তব। মিংয়েং-য়েংবা, শাগে কয়াগী চন্দ্র নিংথৌসিংবু নিংথেম ইনা মা মিংয়েং তারনন্তে হাইবিদুনা চন্দ্রনা কয়াগী পুন্সি অহেম্বদা নাংহনবসে খোংনাংনা

য়ানিংখিদে। অশিগুম্বা কাংলাগী কায়দা থম্বা লৈম্যাম্বগীবিকম্না য়ুতথম্লুবা লৈবা "নিখিল মণিপুরি হিন্দু মহাসভাগী মখাই নাগা কংগ্রেসদা লৈবা "লোইশংগী য়ুম্বনা চন্নুবা মহাসভাগী অমসুং অহেন্নিংগী পাওজেল কয়া লৈখি। অনকপদা লৈবা সভাগী মীওইশিং উক্নদা কনবা অয়া-য়াম লৈবা মকর কয়াও থংখি। নমগাই মাইথিবা লোয়নদা চন্নুবা কৈক্লোইকম কহাইবগী অমদি খুকাইরগী তাঙখাইদা অমুক্লেন্নুবচিংবা মীওই কয়াগুম্ উথখি। মখোয়গী নুংচিংবী তোংয়াম লদি, অয়েকলম্বা অরেম্বী য়ামনি, কম্মেং জাতি, অপামবী কমুইনি, য়াহেংবম ওংবী তৌথোনচিংবী কয়াগা ওন্নবা উন্দুনা মখোয়গী খুনাইগী য়াইফনবা মতম মতমগী ওইবা হিরম কয়াদা থৌদাং য়াম্নকখি। হিংবগী দাবী কোকনা খোংহুম্না মখোয়গী লাংজা। থৌনা কনা লাক্‌নুবগীদমক্তা মতমগী য়ায়েল চুক্তি পাইখিবা দরবার গুখোমিটিগী য়ায়েলদা খোংনাং দেবীবু য়াজ বিদ্রোহিনি হাইদুনা থা ৬ জেলদা থমজিনখিখি। পিক্রিবা মচা পৌরাঙ্গোবু থনম্লগা খোংনাং জেলদা লৈখি। মতাং অসিদা থৌনাফবীশিংগী মচাম্বলা পৌরাজোনা ইমা য়াম্নি য়াখোং হংবা চক্কবা মতমদা অশুম্বা হাইখিয়কখি। ঐগী ইমাদি ঐনা অঙাং ওইরিঙৈদা কয়ারক হয়। ঐবুংকি য়াথংনি হাইহুনা খাগিদং শেংপা কোয়েং অঙাংবা য়েংপা ডাম্বোগাশিংনা কৌবা লাকই। ইমানা ঐবু থনম্লগা চংখি। ইমানা কৈরুমশংদা বন্দি ওইনা লৈরবা মতমদা ঐস্নু ইমাগী মশক উত্রবদি লৈবা হুংঙাইতহুনা জেলদা চংলি। জেলগী মীওইশিংনা ঐবু হুংশিবিদুনা ইমাগা উন্নাহল্লি। কল্লিঙদা হুমিত্তা ইমাগী মিংলু-দগী পিয়াং তাখিবত্ত য়াওই, অহুবু লোয়া তৈথোকখি। হুমিং তারক-পগা ইমানা জেলদা লৈহৌই, ঐস্নু য়াথল হুংঙাইতনা তুফক তুকাই চম্বুল। ইতোমতা হয়কই ইমান। জেলগী চোকপজ নুংদগী ঐবু চেপখা চেপথা য়েংহৌই। হাইহুনা হুংশিনা পাওদমখিয়কই। থৌনা কবী অসিগী

থৌনা লিংজেল, বৃটিশ সরকারগী মায়োক্তা থেংনখিবা কয়াছু শকথং-
বিবা ওইনা ভারতনা নিংতম্নবগী মতুংদা খোংনাং দেবী ফ্রিদম ফাইতর
অমনি হায়না লাওথোকপীখি। ফ্রিদম ফাইতরগী পেন্সিল পিখিখি।

অসুম্না থেংনবদা হলবা লৈতবী থৌনা লিংজেলনা ফুদোংলবি
খোংনাং ১৯৭২ গী মার্চ্চ থাদা মহাক্তী নৌনা হোংলগা লৈখিবা মুমকম
লাংজিং অচৌবদা লৈখিদে। মহাক্তী অরোইবা পুংজাদা মুপী লান্দা
বোংদাং য়ামিল্লখিবী মচেম মনেম মতারোইশিংগী মিং তম্বনা পজরম্মী।
মতমম্ছদা হিংছুনা লৈরিবী মতারোই থৌনাফবিশিংগা অরোইবা পুংজাদা
পাংশুমেঞ্জরম্মী।

———

নুপী লান্দা
অয়েকপম ওংবী রজনি

খোকচোম নবাকুমার
লমলাই।


অয়েকপম ওংবী রজনি

লৈবাক্না নুপী লালগী রজনি হায়রগা খংনবী থৌনাফবী রজনি খুষ্টগী কুমশিংনা ১৯০৮ সাকদা। ১৮২৯ গী শগোলশেল লুমিং অমদা তেরা। কৈখেল লৈক্রাকপম লৈরক্তা পোকখি। অপোকপা অমসুং অপোকপীনা হাওরাকচম চাওবা অমসু, হাওরোকচম ওংবী মুহি দেবীনি।

লাইরকোন্দগী হৌবকপী ওইবনা নৌনা অরা অনাগী চৈথেং ফজবকখি। অরা অনংগী চৈথেং অসিমক্না পিক্লিবা রজনিদা থৌনাগী মওল হাপখি। মতমতুগী চংনবীদা নুপীনা পাকশন্না লাইরিক লাইশু তম্বা চংনামদবনে লাইরাকোন্দগী হৌবকপিগ। ওইবনে লাইরিক লাইসু নিংথিনা তম্না ফজখিদে। পুন্সি ঈচেল তুংইন্না অয়েকপম নেনেগা লোয়নবা যুম্বাল পুন্সিদা খোংদামীন্নখি।

ধর্ম্মগী চংনবী তুংইন্না মাইদা চন্দন খিনবগীশু নিংথৌগী য়াথংনি হায়দুনা শেল মথাইবা, নাহুং নারেং তম্বা মতমদসু পাদ নাপেং শেল লৌবা, লমজাওদা হৌবা তেবা পাম্বীদগী মহৈ অমসুং মপাল লুংশিংনা শুনলক্না মীচম প্রজাগী ইথোলদা তারমবগীসু দন্দি পীবা অসিগুম্বা

চংনবী ময়ামসি মতমদুগী ইমা ইবেল মুপী থুম্লাইনা য়ানিংখিদে। য়ানিংজবসু থম্মোয়দুংদা ফুমহুনা থম্বা তাই। চিল হেক কাংথৌক্লবদা ঠৈরাক চৌথেং ফংগনি। নিংথৌগী মনাদি ফক্লাংদা থেংলি। মতমদুদি নিংথৌ অমসুং লোইলম শন্দোকপা লাকপা অঙৌবা সাহেবশিংগী অপূনবা দন্দিনি মীচম প্রজানা ফংলিবা অসিগুম্বা অওৎ অনৈ ময়ামশি খাংহুনা নৈথোকপা ঙমদবি তু দা লাক্কদৌরিবা চারোল শুরোলশিংগী অনৌবা লাইবক লেপ্লিরমগে হায়বগী ৱাখলদা থৌনা নৈনা চোং-থোকলকখিবী মীত চপ্তশিংগী মরক্তা অমনি রজনি ····!

মনিপূর মীয়ামগী হিংবগী চুক্লি কারবাররালাসিংগী মথুক্তা লৈখি। মনিপূগী নিংথৌ প্রজাগী নিংথৌ ওইখিদ্রে। কারবাররালাশিংগী খুংচাবী নিংথৌ ওইথ্রে। লমদমসিগী প্রজাদি শেঞ্জাও পাইবা লল্লোন-বশিংনা অয়ুক্তা পিজগে মনিং, থুমিদাংদা। পিজগে মখা চারাহেলহলগে মথোয়গী কুসিনি। ইঙা ইঙেলগী নোংজু তিমফা কাকফৈ মরক্তা লৌমীনা লৌরাং শুরিবা, অরা অনা খিদন লৌথোং ফুন্নাবা হোৎনরিবা, লাংবনগী লৌচি কোইবা ঙমখিদ্রবা নংশাগী মৈশালক্তা থুঞ্জা চন্ ওইবিসিনা শাংচেৎ মচি লাংহুনা লোইমোন ফৌথোং পেংজিবা পোইন্ থা লাকখিনি হায়বগী ৱাখলদনি। পোইন্ থা য়ৌরক্লগনি হায়বগী ৱাখলদা তুমাই চজিক্লা চকম ওইরগা ৱানা খাংজরকপা লৌমী শিনমী মীয়ামদো ১৯৩৯ গী পোইন্ থাদদি ফেগী মশক উখিদ্রে। লৌমীগী লৈবাক অসিদা। খৃষ্টগী কুমশিং ১৯৩৯ গী পোইন্ থাজগী মতম্বাক্তি চাবা মনিং থুংত্রবা থরাইসিংগী তেংথাখোলনা পুমনিজ নিলখি।

হিয়াঙ্গি থানা লোইপ্রবা পোইন্ থাগী পানথংলকপা দিসেম্বরগী তারিক ১২ নমিৎ অসিদি চৈথারোল কুম্বাবগী লাতমদা ঈনা মুক

ওইরগা ময়েক লান। লৈহৌরগদবা সুমিৎনি, নুমিদাংরাইরম য়াচংলক্রে, চাবা ফংত্রবা মীওইশিংনা চেং রান্নবগীদমক্তা মররাবিগী দুকান্দ মমাংদা পরেং লেংলি। পুকচাওবা কারবাররালাশিং অক্তুনা চরাম্নরবা মীওই-শিং অদুবু য়েংলগা উশিন্তুনা নোকলি। দুকান্দ থোং হাংঙু হায়রবদা য়াখিদে। কস্তুরি অমদি মহাক্কী মনাওসুপা ফুলাচান্দনচিংবা মরু-ওইবা চেংগী দুকান্দ পুম্নমক থোং লোম্নখি। মাযকৈ কয়াদগী হায়গৎলকপা সুপী মীয়াম্না চেংগী দুকান্দ থোং হাংঙু। চেং লোৎশিন্দুনা থমগনু হায়দুনা লাওনরকখি। কস্তুরিগী মশক উখিদ্রে। মহাক্কী মচাসুপা যুরিয়ানা মীতৈ নুপীগী থৌনা খংদনা কবেমনদুনা লাবেকখি "মীতৈ সুপী পুম্নমক কুমশি চহিদি চগেমদা ওইববশু চাবা ফংখিনি। মথংগী চহিদদি চেংকুপ চগেমফাও থিবা ফংলরোই। নখোইগী থরায়দি নখোইগী খুবামনুংদা পায়শিলদুনা থম্লি"। অসিগুম্না খোঞ্জেলসিনা চানাম চদংন রবি ইমা ইবেলসিংগী মফমদা লানগী বার্তন থাদবগুম থোকখি। অসিগুম্না সুপী লানগী ঈহৌদা অহকপা থৌদাং য়াখিবি অসয়কপম ওংবী রজনিনি।

বোবো সাহেব সোবতো সাহেব নাখাই নবমদমদা হনগ্রো। নাখাইগী মীওং মীনদা ঐখোই খাংবা ঙমদ্রে। পোইসুদা ফৌগী মশক উদিত্রবসি নখোইনা লৈঙাক রায়েনবদগীনি। সাহেবশা হনগ্রো হায়দুনা সাহেবকী বংলা তম্না লাওরগা চৎপদা মতমদুগী পুলিসশিংনা সুপী মীয়ামবু খোংপাক্লা কাওখি। থৌনা ফবী রজনি পুলিসকী চৈকুদা লৈমাইদা তুখি। খোমদ্রাম ধনচন্দ্রাগুম্বন। মবমদমগী ইমা ইবলশিংদা খো পাক্লা কাওবা ঙম্নবসু নৌনা চংলকপা লমদমসিগী পুলিস থরদি ঐখোয়দি ঈবমদমগী ইমা ইবেলশিংদা কুচৈবা য়াওরোই। মখোয়না পুখংলক্লিবা দাবি অসি ঐখোযগীসু য়াওই হায়দুনা পুলিসকী মিজেং

থাদোক্লগা চংখি। ইমকাল মঙ্গৈগী থেনেবকী মতমা শ্রীমতি রজনিনা ইমকাললগী ভানবগা পুথাও সপোনথাংলোমদা মথাম্বীশিংগা লোয়ননা লাপব্রবা শহীদ্ থোংনা চংলগা লম্বমদুনা লিংথৌগী মনাইশিংনা পাংথোকপা পীদবগী থুদংগী লাইরবা প্রজাশিংদা ওৎ-নৈরকপা অমদি ময়ুম হিজোল ক্রুপ নিলাম লাওথনবগী থৌরাং ভৌরক্লে হায়বগী পাও তাবগা থেংননবগীদমক্তা চংখি। মুপী মীয়াম খোমজ্জ্নবা মীতিং ভৌখি। রজনি মশামক্তা থৌনা ফনা পাংথোকপা পিরোইদবনি হায়না লাওখি। মীতিক হেক লোইবগা মীতিনহু য়াওবা মীয়াম পূম্নমক সিকাইশিংনা যন ইরোই হোইবগুম হেক্লইরগা পুখংখি। অসিগুম্বা থেদোক কয়ানা মৈচেম্নহনা অখা, কনবী রজনি যুবতী কাখি। শওমুংগী মাসুন থুগা-ইবণী মতাংদ রজনি থৌদাং চাওনা য়াখি। অমমতাই মাইকৈগী কমেং জাতিগী য়ুমদা অহিং নোংলেন নোংকাইদুনা থৌনাকবীশিংগী অপূনবা মীতিন পাংথোকপদা রজনি দেবী য়াওখি। নিখিল হিন্দু মহাসভাগী মেম্বর অমত্ ওইদুনা লৈবাক্তী থৌরম থোনা কন্না থবা লমদমসিগী মুপী অমা ওইনা থৌদাং য়াখি।

মুপী মীয়ামগী ঈরহৌদা থেদাং হন্না য়াকনবগীদমক্তা চহি অমত্তা চাইবিবা মথানংগী নুংশিরবা মচাবু হন্দোকপা থাযুম ও কৈথেলশংদা বন্দি ওইখি।

মৈশ্রিরবা ভারতকী প্রাইম মিনিষ্টর জাবাহরলাল নেহরুনা সেপ্টে তাং ২৭,১৯৫৮দা ভারতকী হোম মিনিষ্টরনা থোকপা অর্ডর No. 301/R/ RPC/3246-69 গী মতুংইন্না রজনি দেবীবু মিংথেল লালহুবগী কানবী অমনি হায়না শকথংবীদুনা লুপা ৫০০ গী মনা মিরিশিন ভাবিরবী প্রাইম মিনিষ্টর ইন্দিরাগী মতমদা "তাম্র পত্র" গী মনা পিবিখি।

হৌখিবা নুপীলানগী থৌদোক লাথোক কুমাগী মাসিবু মচা নুপা লোংকপ্পনি। মীওই [নেতাজি] দা মারি ওইনা ফিবি গা মচা নুপা লোংকপ্পনা ইথোক্লনা মনিপুরদা নুপীলান" হায়না। কৌবা ঐতিহাসিক অমম্বু ফোংখি।

অয়েকপম ওংবী রজনি দেবী, মশাগী চহি ৮২ হৌরকপদা তাইবংপান থাদোকখি।

লিংজেলপানবী
য়েংখোম নিঙোল শবি দেবি

থিজিল্লগা ইথোকপি

মাইবম ইবেতোম্বি দেবা

নম্বোল কোইজিং

State Executive Member

All Manipur Nupi Marup



তাকয়েল শবি

সনকাথগী মফমদ নুপী প্রজা কয়ানা চেংগী ভিক্ষা নিবা চ লুবদা চেংগী নহুত্ত। ঈ, খুজোক হাপ্লিরক্লে। ঈ, খুজোক ৩ গী মমন ঈ খুজোক ৫ না শিংগদবনি।

— ইরাবত

থোংজোম লানগী লেখংলক্পা খ্যাদোকপা শক্তি হাপ্পা শেখকখি লেখাকশিদা লৈরকখি। থোংজোম লান্দা মীতৈ অখোবশিংনা য়াইবি পোম্বা ভগ্নিবা, ঈশিংগা মাগী ভতোইশা য়াইকৈ মরিমক্পগী ফুজিন্নরিবা অংগ্রেজ সিফাইসিংগা থৌনা ফৈব। মীতৈ লান্মী খুজোক অমগা মায়োক্‌-খিবা লানফমদুগী মিংনা উব। পাওদমশং ওইনা থোবি লৈনৌগী খোম্জেলঙগী থোকখি, থোংজোম পব্ব।

"খুপী লানগী তুংদা লৈহৌই সঙ্গিন পর্বব"

পোটলুদা চাক তা বদগী থোকখি খুপী লান। খুপীলান্দা থৌদাং যাফবী ঈম ইবেল কয়াদা মতমতুগী সিফাইশিংনা বূটনা কাউখি। ঈংগ্রবা নি থম উলেনলক্পা পুম্রিদা ঈস্থাখি। চৈফম নাইনা ফুখি। সঙ্গিন্না থিনখি" মীতৈ খুপীশিংগী ইবা ইগী তুবল ওইখি। খুপী লান খোম চানেনা যাখিবি, য়েংখোগ নিংতোপ শবি দেবী শগোলবন্দ খোখাম লৈবক্তা পোকখি। অপোকপা অহনন, য়েংখোম চাওবা আশাকপীন, নিশিজা দেবীনি। শগোলনন্দ তাকয়েল খোংবাম্বা লৈবা থুমাস্থম নিংথৌখোম্বদ্দা য়ুম পানখি।

শবি দেবী জনালেজা ইশাবতলা স্বতমদূদা হাইবগা রাফম কয়াব চেংনা থাজবী, ইবাবতকী নিংতম পাগজেলব থম্মোয়থুংদা থাগোন্নজবি নূপীশিংগী মরক্তা অমা ওইখি। মতমতুগী খুপীগী ঈহৌ কয়াদা যাওরুবগীদমক্তা জেলন্দা কয়ানক লৌখি। লিজেলপানবি শবি ভসিদি সংসারদগী রিদাই লৌজে। ফনা কুহব মপাও তাখিদবা।

———

নুপী লান অমদি য়াহেংবম ওংবী তোম্বী (অতোন খোম্বী)

অইবা— ওইনাম মনাওবা
থৌবাই
এণ্ড আইঃ আর ইমফালগী শৈরেং

অইবশিগী মবক্তা মনিপুর সাহিত্যগী শরাইবা অইবা মীয়ামগ পুচিংলন জনানতা ইরাবতনা ১৯৩৯ গী ডিসেম্বর ১২ দা থোকখিবা নুপীলানবু নিংশিংদুনা ইংখ্রী।

ডিসেম্বর' ১২

ওসি অহিং লেপ্লে,
থুমিং অমা চংলে,
শম পূনশিন্নু লেবা
ইকা কান্নিবদো।
ডিসেম্বর' ১২ অমা হৌরে,
ডিসেম্বর' ১২ অমা লাক্লে
কাউরবা ?
থাজত্রা শম পুনগনি হায়বা ?
নিংত্রা থুম্মিং অসি লাকনি হায়ব ?
(ইমাগী পুজা লাঃ ৪৯)

জনানেত্রানা থম্মোইনোক্লা ইরম্বা শৈরেং অসিনা ডিসেম্বর ১২ বু ওক্লোকনা মরুহন্না থুমিং জবনি হায়দুনা নুপী লুরাইদা মথম্মোইগী পাংজেল পিরি ডিসেম্বর ১২ দা থোকখিবা নুপী লালা নুপী

ওইখৌশিংগী অমমদা মতম্রদ্বী সিকাইসিংনা সজিন্নম থিজখিবা, খোংউপ বুটনা কাওখিম, খৌক্তৈত্রশিংগী শিঙ্করকপা মঙাংবা ইথোংহ ডিংগা মতমদুগী সরকারগী মায়োক্তা অচৌবা মীতিন পাংথোকখি। লোক-পদগী অকিবা হায়রবহু মপাদা লোইনবক্ত্রবা ইরাবতন কংথোকপগী মূর্ত্তি ওইনা মীয়ামগী মাংবা চোংথোক্তুনা হেংনা লাওখি। চাবা ফংত্রবি ইমা ইবেজশিংনা চেং শিন্ন ঙামকবদা ঐ! ওইনা শিংক্লে। ঈগী লমন ইনা খুমগদবনি। রাকমশিং ঙামকবগীমমক্তা তুপী লানগী ইহৌ শাগংপা। লৈবাক নিংথৌগী যেরুমখি হাইক্লা কিউদেল সমাজগী চংনবীরু মরু ফংনা ফুক্লোরগা লংথোকখিগে থম্বা হিজম ইরাবত মক্তমদুগী সবকারনা ফাজিল্লগ, বৈতুমশংদা থমখি। নূপী লানগী ইতিহাস ইংকপ ন মদা ই াবতকী মূর্ত্তি মাংদা থম্নগা ইত্রবদি অরামবা ইতিহাস ঙইগনি। ইরাবতকী মূর্ত্তিগী নাক য়েত্তা অবলা খিংথোল পিশিলবিদূন পাঙ্গং শ শহবিবি মমা ওইবীগী শাগ তুপী থুম্নাইবু চি থত্তুনা মালেমদা সৈতে চল্লশিংগী থৌনা লি জেল খ হমবা হোংনরুবী চনা ইবেমশি ম্পুবগ নিঙোল শবি দেবী, খোংনাং, সনাজাওবি, পাসোই লৈবেন, রঙ্গনি, লাতি, সঙ্গাইপাং সনাতোম্বী, হৈবাঙ্গোইথোং, লবাক্লে, অভোম লৈকাই মুখি, কুমারি, জেমতোন, ইন্দুবখি, ইবেমহল শিজা রাণী, ভিঙ্গো, চাওবীতোম্নচিংবী থৌনফবী কয়া মথং মনাও নাইনা থবাসিতা নত্তে। কল্লবা লানফমদুদা মাইকৈ কয়াদগী মশিং লাকওমত্রবা ইমা ইবল কয়ানি। কয়াগু তি দুনা শলম্রি। মোংগাত্রবী থৌনাকবিশিংগী মরক্তা থৌনাকবী ইমা ভতোনথোম্বী (তোম্বী)শু অমমি।

তোম্বী মেবী ঊম্বিশোক্ষ শক্কোই মনিংমা লৈবা নিংথৌখোংজম নিংথোজনি। অপোকপগী মিংনা কচাই কৌই। রাহেংবম লৈকাইদা লৈব রাহে বম চাংবা সিংহদা মুগ পাল্লকখি।

নুপী লানগী থোক্লোক মাথৌকি কয়াদা হকচঙ্‌ইবা থৌমাং য়াওকখি। তোঙ্‌ঙৌ দেবী চেং হংনবগী মাক্লোমদা লোইদোক। অহানবা থৌদাং লৌখি। লাইরিক লাইওু ইবা ইহুৎবকগী মায়কবা মতমদা শ্রীমতিগী মচানুপা মাথামুহোন্দ। মায়োন কয়া ইংন্সুনা মতমগী সরকারদা তক-শিনবদা থৌদাং লৌখি। মনিপুরগী মকম কয়াদা চত্‌না নুপীগী সমস্যা কয়া খন্না নৈনাবদা শরুক য়াখি।

তোঙ্‌ঙৌগী কয়াগী মখাদগী শিঙ্খিব। হন্মাংমক অমসুং শিঙ্গেন্সী ঈনা চুসিন্সু মায়ক লান। ইহুনা লৈরি।

মনিপুর প্রজাশিংগী থম্মোয়শুংগী লাতমদা ১৯৩৯ ডিসেম্বর ১২ মনিপুরগী নুপীলান। নুপী লানগী মাহিনা তুংগী মীৎ য়েংদ, অনৌবা থৌনা লিজেল হাপ্পিরব। ওইরমসু।

নুপী লান্দা য়াওখিবী তিঙ্গোং দেবী

নুপী লান্দা মরুওইবা থৌদাং কয়া লৌখিবী কৈসাম নিঙোল তিঙ্গোং দেবী উরিপোক শামুশংদা পোকখি। কৈসাম খোমদোন্না অমসু থোকচোক নিঙোল কৈসাম ওংবী চাওবী দেবীগী মচা নিঙোলনি। চোৎথান শাগৈদা ওংহুন। মনাওতোন শিংহগী পুজি থোং-লোই ওইখি নুপী লানগী নজিন পর্ব্ব মাথোক্তা মখাদগী ঈ, তাখি। মীয়ামগীদমক্ত থৌনা কনা চোংথোকলবী পুক্চেলচাওবী ইমাশি সিদি চৈলখিত্রে।

লৌমীগী ঈহৌদা

লোংথোবম নিঙোজ তোম্বী

(হেরাচুত।

মিজিবাং-শাঙথোক তোম্বা।

মোইরাং

মনিপুরগী কাংলৈপাকতা লৈরক চিংথদা লেপ্লা মনিং পুরকপ। লৌমী মীয়ামগী মরক মতেংগী ওইরা ঈহৌ কয়াদা মরমদগী কুপী থীয়ামহু লৈকাবী পোনা পুক্কোকুন। খোদাং য়াখি। মকুওইনা পুংদোংবমগী (নওইনা) পেথোক হায়দুনা মনিপুরগী ইতিহাসতা ময়েক্কু লানা। লৈখিবা ১৯৪৮ পুর্বাচলগী প্রদেশ শেমগী মায়োক্না চিংথম ইবারতনা পুচিংলগা চেকশক। ঈহৌ অমুগী মরকওইবা তাংকক ওইরিবা মেরেথক ২১ পুংদাং বনবা। পুলিস অফিসার নরালবাবু তুনিমগী বাহাদুর লোংপোক চিংথৈ নমগী তোম্বী থীয়ামবু কোকয়েং নাইডাংবা। লেংপা পুলিসকী মীওইশিংবা শতিমরা কাকচৈকপম কুমিরা। ঐদিদুনা মুনিংব। মওদা মথিক। লৌমী পুলিসকী হায়দুনা কনক লেপ্লা চৈতেংপা রাইফ অমং অমৈ অদু থাবা ডাবা গুমলকতবদগী নুপীশিংগা লোকুনা মরকতগী পুশিনশিনগা থেংনখি। ঈমা কাওনবা খাওখি। থোম্না লিংজেল পুখোক্কুন। লৌমী মীয়ামগী ঈহৌদা তেংবোংখিন

অসিগুম্বা থোক্লাক অসিদা খেন্না লৈনা চোংথোকখিবী কুপী নিংগী মরক্তা সেক্তা পুরিংগী লোংথোবম নাজেল পোকপকী তোম্বী দেবীশু অমনি। মহাকী মমিংবু হরাইবী হাম্বিরগা খন্নৈ। খোদোকুণা হরাইবীগা লোয়ননা থোদা থাবীমখিবী মক ওইবি কুপীশিংদি মাইহম হৌবী কৈন্যা দেবী, লোইনা খো, আইশেম নিঙোল ইকুংবম ওংবী থম্বাল,

(পু দোংবম) মুক্তা, মণিজা (চেলক্সা) মুকুম ইবুঙো আঙোই দেবী মখিং পনবা য়াই। ওঃ সিঃ নরাসবাবু মশামকী লোংয়ে গুলিনা পাক্সুনা ত্রুত্রবগী মতু, দা মুকথ, খি মহা শাইরঙম পুলিস মায়াম লমলাই মাই-কৈদা হায়থরক্লুন। মৌমী মীরামবু গুংলরবা মশাগ। মচাগা খন লাইনহৎনবা, ঈশিংনা তিজংনদা কুবা, সভক্ষা পাংত্তিংলগ। খোংচৌল বুটনা নেংপ। অসিগুম চৈথে লক্সী খোকলকপ। মীকপ ভেংথাখোলছ করাইবীনচিবী ইমা ইবেলশিং অদুন। লৈখোকপ। ভুমখিদে। মরু ওইনা নোংমাইথেম অঙাংহলগী মচাকুপা তেমথকী শাখং মখোং কারকপা ত্রুপাসবু পুশিলশিংনা শা খনগুম কুরকপলগী ঈ ওরক্সা মতমদ। ইনা ইবেমশিংনা শ্যাংচেং মচি লাংহুনা চোংথোরকখি। পুদোংবম থুজংদা লৈবা লৌমীগী লুচিংবা ইরুংবম নেত্রো, নাশেংকী য়ুয়াম লৈবাকচাও, খাংজ্রাকপম অমু (সেক্রা) কৈত্রিময়ুম রামশি, (চনা) নিংথৌজম তোম্বা (লৈমাখোংমশাল) লাইশ্রম ইথোচৌ (লমলাই) লাইশ্রম চন্দ্রশিং (লমলাই) খোইরাংথেম তোম্বা (চনা) অসিগুম্না মীওই কয়াদা হেনজিনব। চৈঙু কয়া পিরকপদ। ইমা ইবেমশিংগা পুলিসকী মীওইশিংগ। চিন্দা শাওসানখি, ইম্না কাওনখি মতমহুদা পুলিস দারো-গাশিংনা হয়াইতোম্বাগী লুম্মাংগী শম্ব কোইখিখি। মুপী লমহেনবী হায়হুনা চৈখীখি।

১৯৪৮ সেপ্তেম্বর ২১ পুংদোংবমগী ম্রথোক্সা মৈচেম্রখিবি হয়াইবী ১৯৩৯ গী মুপী লানগী মতমদসু মরুওইবা খোদাং য়াবী অম ওইখি। মহিলা সংমিলনিগী মরুওইবা মরুওইবা মেম্বর অমা ওইহুনা মুপীগী সংস্থান অসিবু মরা চেংনবা হোত্নবদা খোংদাং য়াখি। সভা নত্রি কাংলং জাতিগী লমজিংশাদা চংশরকপা থবক খোরম কয়াদা য়াওজখি। অমিগুম্রী লোমী ইমুদগী জিংজেন শাম্বী ইমাশি চসিমগী চহি ৮ খোমগী ময়াং, মশুগীনা চহি ৬৫ ওরকপদা মশাগী লৈকম পুংদোংবমদা লৈখিত্রে।

থোনাক্‌পা থৱগী শম্মী ম্যারি।

থিজিল্‌ষী ওইনাম ওংবী লেম্বী

কনভেনর

নুমলাই শ্রেরিয়া নুপী মরুপ

রাংথেম ওংবী কুমারি দেবী



কুমারি দেবী

রাংথেম ওংবী কুমারি দেবী ১৯০৫ গী নুপী লানদা থোরকওকপা থোদায় য়ারকখিদবনি থা ৬ জেলদা লৈখি। কুমারি দেবী ১৯০৫ দা পোকখি। থৌনা ফবীসিংগী মপুরোইবা লৈখিরবা রাংথেম নবাংশিং মনিপুরি হিন্দু মহাসভাগী সদস্য। অমা ওইরমী। সমাজ সংস্কারগী মথক্তা চেনখ্রি কুমারিসু মহাসভা অসিমক্কী মেম্বর ওইখি। কুমারি দেবীগী লৈবমদি শগোলবন্দ মেপ্রা মৈরীর লৈকাইদগীনি।

মোইরাংথেম ওংবী অনুবী দেবী

অনুবী দেবী শকাব্দা ১৯০৩ গী হিয়াঙ্গী ১৭ নি পান্বদা থা মৈবন্দ হিজম লৈকাইদা পোকখি। অপোকপা অহলগী মিংনা মোইরাংথেম চুরা সিংহনি। নুপী লানগী মতমদা থোইদাক হেন্দোকপা থৌনা লিংজেল পুথোকনা মতমগী সরকারগী মায়োক্তা থেংনখিবী অমনি। নুপীলানগী থৌদোক্তা য়াওই, হায়রগা বিচার তৌদনা থা ৭ জেলদা



অনুবী দেবী

থম্লিনবিখিক অহল্লী-মচুবা অমসু খা ভা-রাজনীতি বন্দি ওইনা কঞ্জাগে লোইখিক।

[illegible] ওংবী মুখি দেবী

শ্রীমতি [illegible] ওংবী মুখি দেবী খৃঃ ১৯০৬তা ইম্ফালগী ওইনাম মিঙেলদা পোকখি। অপোকপা অচৌবগী মীংনা থংবো সিংহ কৌই শিক্ষক নিঙ্গথৌ ঙৈবগী হৌনা মীয়ামগী [illegible] ওইরকখি বৃটিশ অমসুং নিংথৌগী সুপ্রীম [illegible] [illegible] য়াথা থেংনখি। মতমদুগী সরকারগী মাঙ্গোলগা [illegible] থা ৭ অমসুং তঙ্কা ওইবা থেনথাং অনিরুক তেলঙদা লৈখি। শ্রীমতি মুখি দেবী মহাসভাগী মেম্বর অমসু ওইখি।

মাইবম ওংবী কৈন্যা দেবী

মাইবম ওংবী কৈন্যা দেবী পুংদোংবমগী ইন্দ্রংবম শাগেগী নিঙোলনি। লৌশাংথোংদা লৈবা মাইবম সনাতোম্বা যুম পাল্লকখি। মপুরোইবা সনাতোনসু ইবাবতকী সমজিং মখাদা লৌমীগী ঈহৌ কয়া য়াওখি। মপুরোইবগা পুকচেল খোইজেল তিন্নবা কৈন্যানি। [illegible] মতমদা শওমুংগী মাসুন থুগাইব, পুথাও সগোলমাংগী [illegible] মীতিন [illegible] মাংজিন থাহনা য়াওরখি। লৌমীগী ঈহৌ হন্ৰবা লৈতনা [illegible] মথুম থোকপা পুংদোংবমগী ইন্দ্রংবম নেস্ত্রোলা ইরাবতকী সমজিং মখাদা চংথরকপা খোংজ, কয়াদা মপাম-দা [illegible] লৈশারিইৈ মতমদগী হৌনা পুক্নিংগী অপাম্বা ফোংদোকখি। ইরাবতকা তিন্নবা মীওই কয়ানা মীরোংকী পুক্নিদা লৈরবা মতমদা মীরোংশিংবু লোম্না চাক খোংলগা পিজখি। মখুম পান্নবা মতমদসু কৈবী, লৌশাংখোংগী মৈরোম্বী হমব মরক্ত মীরোংশিংনা লোংজ্রুনা লৈরম্ব মতমদা মীরোংশিংগী পুক্নি কমবগীদমক্তা কৈন্য দেবীনা লোম্না চাক অমস্থং ফিবোল থিন্নকখি। থৌনা [illegible] পোকচবা

মচাহুপা নিলোত্ত মযাম্ন্যি-'বাখল লৌখি। য়ামনা পিক্না ইরাবতকী ভুংইরোই অম। ওইজরকপনা ওপিন্থ ফিরেপ হোংজি। কৈনয়া দেবী ওনিংদু ছিংবলি চৎরোক চাপিন ওল্লি। মপ্পাগী চহি ৮৪ ওরে।

মুত্থম ওংবী থাগোই

থওবুংগী মাহুন হুপাইবদা অমদি থালতাবীলী তুকাচ্ছিপনা পৈশিন্দুনা থল্লকা চেং থোইদিং হয়াই ময়াম থুগাইবদা কমেং জাতি অমদি মতমদুগী হুপী লুচিংবী করাদা লোয়নদুনা অকনবা থৌনাং য়াঙখিবী থাগোই দেবী লমলাইদা লৈবা মুত্থম সনাইবী পুন্সি থেং-লোইনি। অপোক্পগী মীংনা ওাঙোম লকোই সিংহনি। শ্রীমতি থাগোই দেবীগী মপুরোইব। সনাই মতমদুগী লৌমী মীয়ামগী ঈরৌ শাগংপদা অচৌবা থৌদাং য়াজরম্মী। জনানেতা ইরাবতনা সনাইগী পুমদা ততনা লাক্লুনা মীন্তিন কয়া পাংথোকখি। মতমদুদা থাগোই দেবীনা হুপী ময়াম থোমদুনা নেতাগী পাওতাক কয়া তাহোনবা লিনখি। জনানেতনা লৈরম্মী। অমম্থং কমিউনিষ্ট য়াওই হায়দুনা ইমুং অসিবু থুনং কৈরোই লৈকাইনা লৌবিং শিংজিংবা। থুনংগী থোলোক য়াথোক থাওহন্দনা ইঙ্গোক্লুনা থম্বিখি ওলিদি ইমা থাগোই পোয়রে অহল ওইরে ইমুংমগী মাঙোল থোকপা শদো থোংলে। বা চাংবদা লৈরেং থাইবে। হৌখিবা অদি তুজুংবনা থরবা হুপী লায়লাী রাগি অমাদ পুংদো বনগী ফটনগা থারিবু লিয়গা থম্মোই থুত্থম ওনা নিংওবদবা কোংলোক্লি। তোংত্রব শবি, কমেং জাতিমচিংবী করাগী মদিং পাকগা চুপশিনবো হায়দুন চিকা চিক কম্রি।

লাইবী দেবী

১৯৩৯গী হুপী লান্দা থৌদাং য়াখিবি অমাং নোংপোক চিংথেগী ইমা ইবেলশিংগী মথুংদা শেঙ্গাংদা লৈবী লৈচোম্বম লাইবী দেবীসু অমনি য়াইঙংপোকপি, খালভাবীগী হুকান্দশিংদা চেং হয়াই থোই-দিংনচিংবা পৈশিলদুদা থম্মগা ময়াং মহাজনশিংদা পিনবা হোংনরম্বা কয়া থুগাইবা, লংশেকপা, কাওথেকপনচিংবদা লাইবী দেবী য়াওখি। য়াম্না নৌন। মশাগী চহি ২২ শুবদা য়াওই। কমেং জাতি, লমলাই অঙাংজাওবী হুজোয় লৈফোলনচিংবী কয়াগা লোয়নমা পুলিসনা ফাগুনা কষ্টদিদা থমখি। মতমতুদা অম্বাবা কয়। মৈচেম্মনকপী লাইবী দেবীনি। মীংদবু লাইবী হায়বনি থৌনাদি লাইদে লাইবী। শোক ১৯১৭ ত। পোকপী লাইবী দেবী শেঙ্গাংদা লৈবা লৈচোম্বম চাওবগী মচানিঙোলনি। অয়েকপম শাগেদা ওংখি। হুজিক ইমা লাইবী য়াম্না শানবা ওইদ্রি। লুকমাই মা দা থাদুনা হিংবগী লান থেংনি।

পওশোই লৈরেন দেবী

হুপী লানদ থৌনাকবা লৈরেন দেবীনি। হুপী লান্দা থৌদাং য়ানীম্মখিবী লুচিংবী কয়ান। ইচে লৈলেল হায়ন। হুংশিনা কৌজে। হুপী লানগা মেরিলঙা চুপচান। পাঙ্গল থৌনা উংচরম্বী লেলেন দেবী কাককৈথেল ময়াই কোইবীদগী চবুবম নিঙোলনি। পাংশোই পাওঁ য়ান্দা লৈবা য়েংথোম থৌদোল সিংহদা য়ুম পাম্লকখি। ইবাবতকী য়াথলগী পান্দমদা অচেৎপা থাজবা থমজে। মীনা মীবু ওংপা, মীগী হুম্মামল লম্নোনবসে তশেংনা য়াজখিদে। কুমজা ১৯৭০ দা লৈরেন দেবী তাইবংদগী বিদাই লৌখ্রে। মচাম্মপা ফোরসিংনা

পোকপা মওশিংদা ঐখোয়গী [illegible] চচ্চরুবা মতমদা অসুম্না হাইবিরকই, ঐখোয় ইবোম্না য়ারমদবসি কৌদমশেল থাবা, লেরিংশেল থাবা, মাগী খুৎতুমনা হাংপানিনি হায়রমা হায়বিরকই। 'খোইরম' রূপালানগী রারি রাখো, হৈবা মখম কয়াদা চচ্চরুবা ইমাগী মিংশি অয়াম্বনা পনবিরকই। হেক্লাংগাই থেংগী হৌরা লৈবাক্লৈনা, ইচে লৈরেনদো খুংশিদা তায়নরথমোই শৌকা শৌরকই। রূপা লানগী থৌদোক রাথোক কয়া উহৌরবা কৌরমিশাইকা কৌত্র ইবোয়াইমনা পাংশোইগী ইচে লৈরেলদো খুংশিদা লৈবিদবা কুইহৌ তাযনা খুংশিনা শোল্লি। ইচে লৈরেলগী মচা ইবেম্মা বারুনি অতুম্ব লৈখিদ্রেবা মমাগী মত ইন্দনা মহাকম্ব নপী লানগী মতমদা য়াম্না রাখিবনি হায়দুনা মখাতানা শোল্লকই।

লাইশ্রম পনিডোক রুমনি

নপী লানগী লানফমদা মতমদগী চহি [illegible] খোমগংপদা লাইবিরবী মৈ [illegible] মনংদা শ্যামসুন্দর শর্মা লৈরক্লা লৈবী লাইশ্রম [illegible] অমনি। শর্মি অমদি তোম্বা দেবীগী লমুক্তি [illegible]দা কয়া লোবকখি। মতমতুদা রমনি দেবী ফৌম্ব চেংসুবগী শিনফম্না হিংনবগী লম্বী ওইজখি। চেংতাংবগী চৈথেং মশাদা চপচানা পানখি। অবাং তুকানগী বামকুম [illegible] চপচানা থৌদাং য়াখি। ১৯৩৯গী ডি ১২ নপী লানগী থৌদোক্তা মীয়ামনা নেংশিনবদগী য়াম্না শাথিনা শোকাখি। শ্রীমতি রমনি লাইশ্রম তম্বু সিং ইগী মচানি ওইলনি। শ্যামসুন্দর শর্মা লৈরক্লা লৈবা থিয়া আঙৌবা সিংহদা য়ুমপাম্নখি। মপুরোইবা অঙাওবা লৈখিদ্রে। শ্রীমতি রমনি দেবী হি লি [illegible]। মশাগী চহি ৭৭ শুবে।

হৈস্নাম ওংবী বৃজারি।

লুপী লানগী থৌরোক্তা মরুওইনা থৌদাং য়াথিবী লুচিংবী থরগী মনুংদা হৈস্নাম ওংবী বৃজারি দেবীসু অমনি। বমোন কম্প্গী অখোকপম নিঙোল বৃজারি দেবী নহারুপকী হৈস্নাম নিংথৌদা য়ুম পাক্রকখি। লুপী লানগী লুচিংবী শবি তোজোগা য়ায়া হুংশিনা তিন্নজে। কয়েং অাতিগীদা অয়াম্বা মতমদা লৈছনা য়া তায়জে। লৌমী মীয়ামগী মতম মতমগী ঈহৌদা থৌদাং য়াজবী মীয়ামগী বাথলচেলবী অমা ওইখি। শ্রীমতি বৃজারি দেবী ওসিদি লৈখিত্রে।

হাজারিময়ুম নিঙোল চাওনুহল দেবী



চাওনুহল দেবী

হাজারিময়ুম নিঙোল চাওনুহল দেবী ১৯০২দা পোকখি। ইবোতোন শর্ম্ম অমসুং চন্দ্রাবলি দেবীগী মচানিঙোল অহলনি। মশাগী চহি ১৫শুরকপদা থোনো শর্ম্মদা লুহোংখি। লুপী লান্দা থৌদাং যারবী থৌনাকবী অমনি বৃটিশকী মায়োক্তা লেপ-লুবগীদমক্তা থা ৬ জেলদা লৈখি।

থংমুকচম ওংবী কেতুকী

১৯২২দা লমলাইদা পোকই। ইরোম অচৌ অমসুং রুকমনি দেবীগী মচানিঙোলনি, থংমুকচম ওংবী কেতুকী য়ায়া নৌনা মমাগী মতুং ইন্দুনা লুপী লান য়াওখি। ময়ামগী বাথল চেলবী লুপীনি। লুপী মরুপ শাগংপদা হুজিকপু থৌদাং য়ারি।

ইবেমহল

খুরাই থোইদিংজম লৈকাইদা পোকপী ইবেমহল দেবী শমুলাই-লাংপম কন্থাই শর্মগী মচানিগুোলনি। অপোকপীনা ইবেমনি দেবী কৌই, মশাগী চহি ৩২শুরকপা মতমদা তোঙৌ ১স্থুং শবিগী ভুংইন্দুনা লুপী লান্দা মাইরো, য়াখি। মহিলা সম্মেলিনি হিংগংনবা ফোংনবদা থৌদাং য়ারকখি। লম্লোং কৈথেলদা ফো-চেং চাইথাইবা, য়াইংংল পোকপী থাজতাবিগী দুকান্দ থুগাইবদা য়াওখি। হজিক মশাগী চহি ৭৪শুবে। পিত্রিভৈদগী হৈনজরকপা শিনফম লম্লোন ইতিক তৌদুনা চহি য়াম্লবী ইমাশি হজিক নোংপোক থম্নাপোকপিদা লৈরি।



কাংজম ওংবী ললিতা

কাংজম ওংবী ললিতা

কাংজম ওংবী ললিতা য়াম্না নৌবা কাংজম ওংবা সনাজাওবীগী ভুং ইন্দুনা লুপী লান য়াওকখি। মহাক্কী পোক্কমদি লৌক্রাকপম লৈকাই শগোলবন্দ তেরা-দনি। অপোকপগী মিংনা চোংথাম ইবোহলনি। মমা ইবেম্মাগী মিংনা চোংথাম ওংবী কুমারি কৌই। য়াম্না চহি নৌন লুপীলান য়াওখিবিশিংগী মপুংদ, ললিতস্মু অমনি।

সনাতোম্বী দেবী, নুহাবম লৈকাই।

শোক ১৯০৬কী ইংলেনগী ১২নি পানবদা ব্রহ্মপুর নহাবম লৈকাইদা পোকখি। অপোকপা রাজকুমার সনাতোম্বা, অপোকপিনা পুরহম নিঙোল অঙোবী দেবীনি। ১৯৩৯ গী মুপী লান্দা থৌদাং য়াখি। চন্দোল শেলখাই, মী শিরগা পোৎলোয়রবদা শেল লৌবগী চৎনবী য়ানিংখিদে নিংথৌ সাবনগী মায়োক্তা লেপখি। অন্দলন কয়াদা মাংজিল থাবী ওইখি। ভারত সরকারনা ফ্রিদম ফাইতর অমনি হায়না শক খংবীরবী সনাতোম্বীনি।

নুপীলান্দা কবোক্লে, চাওবী

কবোক্লে— য়ুমথাম নিঙোল রাজ্যিবম ওংবী কবোক্লে থুবাই লাইবিকয়েংবম লৈকাইদা। লৈবা রাজ্যিবম থাবল সিংহগী পুন্সি থোংলোয়র্নি, নি থৌগী শুপনম শাবনবু য়ানিংদবী মুপীনি। মুপী লান্দা খুংচেৎ মচি লাং থৌনা লিংজেল পুথোক্লুনা থেংনখি। ইমানা য়ানিংদবা অমনা মতমদুদা ইনাকখুনবশিংবু রোং চৎপা হায়দুনা থুঙং, লৈকাইগী মীওইশিংনা ঙাক শেলহনবশি য়ানিংদে হায়দুনা লাওখি। ইমানা পোকচবা মচানুপা তোম্বনা মমাগী রাজ্যি রাখোং হংবা চক্রবা ঐথোইগী থিজিন্নবী মীওইশিংদা কুপ্না ২ পাওদমবিরকখি। ইমা কবোক্লে ওসিদি লৈখিদ্রে। ইমাগী থৌনাদি লমদমশিংগী মীওইশিংনা শিংথারি। রাজ্যিবম নিঙোল চাওবী থুবাই লাইরিকয়েংবম লৈকাইদা পোকপী রাজ্যিবম নিঙোল চাওবী দেবী মুপী লান্দা থৌদাং য়ারবী থৌনাফবী অমনি। সঙ্গিন মানগী থৌদোক্তা মশাদমী ঈ তাখি। সঙ্গিমা শোকপদগী কুইনা হোসপিতালদা লাইকম্নখি। ইমানা মতম

কুইনা ফমাংদা মাতাদুনা মৈরবা মতময়া লাইশোন ওইবা লানফম-দুদা কৌবাং মাসিমখিবী মতাবোইশিংগী মিং শোগংবী। নেতা ইরাবতকী মিং ভৌবা পাঙ্গরগা ছিকা ২ কপচখি। কুইবে ইমা চাওবীনা লৈখিদরক।

কোঙেংবম ওংবী লৈফোন দেবী

অমস্থং ময়েরা দেবী

তোপ তোম্বা মাগী মাস্থী মতিক মগুন অমমম উংনবী ঙাকুনি মুপী লান য়াওখিবী মীতৈ মুপী লুচিংবীশিং। কোঙে বম ওংবী লৈফোন দেবীসু শিংথানিংঙাই ওইনা থেনা উ লম্বী অমনি। পোক্রফমদি পাংশোই লাংজিং খোংনা খোংনি, অপোকপগী মিং তাওবেম থোনোসিং অমস্থং অপোকপীবীনা থম্বাদম্বা (সরাইজম মেজবগী মচানুপী) কৌই। লৈখিদ্রবা অবেরগী লোইনবীনি, মহাকীদি মচা অনম্বা পোক্কে অদুনা অঙোচৌকেংবা অমবু মচা শঙ্কা নাঙকোন-জবক্না মচা মমৌ অমদি মগুশিংগা ইতম মুঙ্গোইদা লৈমিম্মরি। নশাগী চহি ৮৬/৮৭লোম শুরহনা শোজিন্নক্কে।

"নংদি কৈযুম নিঙোলনো? কদাইদা ওবনো? ননাও মুপীগা লৈরিব্রা?" মতমহুগী সরকারগী থৌগ্রবা অমা ওইনা, থারভাবি, যাইঙংপোকপীগী দুকান্দশিং অমস্থং শঙ্খুগী মাযুন থুগাইবগী লংদাইনবা থাবকখিবা থোমজ্রাম আইঃ পীঃ হায়না। থঙনবা ধনচন্দ্রনা নাপেং পম্লিদা তিনহুনা লৈরিবা মুপী ময়ামগী মরক্তা শক্তম কুচু থোইদোক্না চংখোম্বা উবী নহাগী মতৌ মাংদ্রিবী লৈবোন্দা থওই উশিংতনা কয়েমহুনা হ থিবা হেনজিলবা য়াইহশিংনি। "কবি নংনা নংপী লান থানগনি হায়তনা লাবগা অদুগুম্বা মথোং হুক্কুবা য়া ঙাংবা য়াবরা? ঐবু কবি ওইংা উই?" অশাঙবগা লোযননা চো শিন্দুনা চৌক্রিদা ফম্লিবা

পুলিস অফিসার ধনচন্দ্রগী চুমথাংদা চেংনা তাশিল্লবা লৈফোনগী খুৎতুম্না অহল্লকং অদুহ্ খোঙা থোম্লখি। “ঐনা থোঙহল্লা থোমজাম আইঃ থিঃ (পীঃ)দো হেক চৌদিল্লিদগী এল্লবনি।” শাওনিঙ্গলিবগুম তমই। হুপী নহাবু লাম্না য়েংবা মীৎয়েংগী মায়োক্তা লিংজেল থাম্না লৈরকপহু মঙোন্দগী উই। পুলিস অফিসার ফুরুই হায়বগী চার্জদা লৈফোনবু ফাজিনখি।

মহাকী মনাওনুপী কোজেংবম ওংবী মেল্লা দেবী তেরা য়েংখোম লৈরক্তা পোকপী, য়েংখোম তোম্বা অমস্থুং কুমারি ২গী মচা নিঙোলনি। মহাকী মপুরোইবদি লৈখিত্রবা কালা সিংহনি। ওসিম্থু ইতম মুজোইদা পুন্সিগী হৈনত্রবা শিনকম লুকমাই পানবগী থবক শোজরবস্থু থবা থরদি হোৎনহনা মচা মওশিংগা লৈমিল্লরি। মশাগী চহি ৮২থোম ওরে।

হুকানগী পোং-চৈ চাইথাইবগীদমক মাংহনখিবা পোংশিংগী মবক্তা থালতাবিগী লৈরেন অমস্থুং থম্বৌনা ওামূলৈবৌ অমস্থুং হেস্তাক চকুশিং পুত্রে হায়জিল্লকপগী মতাংদা মীনম্বা ওাংদূনা হুপীশিংবু ওইদবা মবান শিজিনবগীদমক মখোয় অনিবু পুথোকউ হায়রহনা সোতো বাবুগী মনা লৈথংখি। মাগী অসিগুম্বা থৌনাবু থাগৎলহনা হুপী লান লূচিংবী জাতি, থোনাং, শবি, তোঙ্গৌ, অতোনখোম্বীনাচিংবনা চেনশিন্দনা মথুং শোক্লুনা মেরাবু হল্লাওনা অমুক্কস্থু থৌনা হাপক খি। অল্লানবা অমদি মীনম্ববু য়ানিংদবা লিংজেন চেনবীনি মেবা দেবী। মহাক্না থা ৫তা থাইনিবী মচানিঙোল অপিকপবু হন্দোক্লহনা মীয়া-মগী থোংজং শকক য়াল্লকখিবগী মংশিবা থারিস্থু লৈরি।

★—★

নখোয় লাউ য়েংহৌরো লাউ

নখোয় লাউ য়েংহৌরো লাউনে
নুপী কয়া লান্দা চংলিদো
চাদবিবি, দুগা পদ্মিনি
লক্ষ্মিবাই, ঝান্সি রানি
লৌমীগী য়ুমদা [illegible]
লিশিং লাক্ক পোল্লিদো
নখোয় লাউ য়েংহৌরো লাউনে............

নুপী ঐখোয়বু হায়রনু অবলা
শান্নপোৎ ওইবীনু নুপীগী থরাইনা
শেঙ্গাও পায়বগী তমথিবা নিতিনা
মুনখরে ঐখোয়গী শেৎন-চানবা
নুপী লান্দা নুপী কয়া
থরাই কৎখিদো...............
নখোয় লাউ য়েংহৌরো লাউনে

-ইরাবত